


লাইরিক মচা

# সেক্যুরিতীজ মার্কেত

## ইনভেস্তরগী ৱাখল্লোন খোঙদোকপা

भारतीय प्रतिभूति और विनिमय बोर्ड
Securities and Exchange Board of India



BSE INVESTORS' PROTECTION FUND

NSE IPFT

MSE METROPOLITAN STOCK EXCHANGE Investor Protection Fund Trust

NSDL Technology, Trust & Reach IPFT

CDSL

**দিসক্লেমর:**

পব্লিকেসন অসিদা অশোয়বা নত্রগা অৱাৎপা লৈহন্দনবা হোৎনবা মতমদা পব্লিশরশিংনা কনাগুম্বা অমত্তগী মখল অমত্তগী অকায়বা নত্রগা মাংজবা নংহল্লোইদবনি।

**খুৎশন্নদুনা পায়খৎপা:**

- সেক্যুরিতীজ এন্দ একচেঞ্জ বোর্দ ওফ
- ইন্দিয়া বি.এস.ই. লিমিতেদ
- নেস্নেল সেক্যুরিতীজ দিপোজিতরী লিমিতেদ
- নেস্নেল স্তোক একচেঞ্জ ওফ ইন্দিয়া লিমিতেদ
- সেন্ত্রেল দিপোজিতরী সর্ভিসেস (ইন্দিয়া) লিমিতেদ
- মেত্রোপোলিতান স্তোক একচেঞ্জ ওফ ইন্দিয়া লিমিতেদ

**...না নম্বা**

সেবি
[illegible] ২৩ ২০২০

**পারিবশিংগী ৱারোল:**
বুকলেৎ অসিনা সেক্যুরিতীজ মার্কেতকী মরমদা শন্নপ্পা, মরুওইবা ই-পাউ পীনবগী পান্দম থম্লি। মখা তাবা ৱাহং লৈরবদি সেবি, বি.এস.ই., এন.এস.ই., এম.এস.ই.আই., এন.এস.দি.এল. অমসুং সি.দি.এস.এল.গী ৱেবসাইতশিংদা ওনলাইন মেতরিয়েল য়েংবিবা য়াগনি।

ৱারোল অসিদা য়াওরিবা ই-পাউ অসি সেক্যুরিতীজ মার্কেতকী মরমদা মরি লৈনবা মহৈ-মশিং তম্বগী অমসুং ময়ামদা খঙহন্নবগীদমক্তনি অমসুং মীচম মীয়ামখক্তগী শেন্দোং তানবা নত্তবা, মহৈ-মশিং তম্বা অমসুং মীয়ামদা খঙহন্নবগী থবকশিংগীদমক শীজিন্নগনি।

ৱারোলশিং অসিগী শরুক অমত্তা সেবি নত্রগা স্তোক একচেঞ্জ নত্রগা দিপোজিতরীশিং খংহন্দনা মওং অমত্তদা নত্রগা পাম্বৈ অমত্তনা নত্রগা দিস্ক, তেপ, পর্ফোরেত মেদিয়া নত্রগা অতৈ অতোপ্পা ইনফোর্মেসন স্তোরেজ দিভাইসনচিংবদা চাকথোকপা নত্রগা শিন্দোকপা য়ারোই।

ৱারোলশিং অসি শীজিন্নবদা কনাগুম্বা অমত্তগী করিগগুম্বা মওং অমত্তগী অকায়-অতোয় থোকপা নত্রগা অমাং-অতা থোকপদা সেবি নত্রগা স্তোক একচেঞ্জ নত্রগা দিপোজিতরীজনা থৌদাং পুরোই।

ৱারোলশিং অসিদা অশোয়বা নত্রগা অৱাৎপা অমত্তা য়াওদনবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনখি। খ্ৱাইদগী নৌবা মার্কেত দিভেলপমেন্ত অমসুং ইনিসিয়েতিবশিংগীদমক খ্ৱাইদগী নৌবা ৱায়েল-পথাপ, গাইদলাইন, দাইরেক্তিবশিংদা শেম্লিবা ফ্রেম অমসুং মতম-মতমগী মতুংইন্না পীরিবা অতোপ্পা মরি লৈনবা দোকুমেন্তশিংদা য়েংবিনবা পাবীরিবশিংদা হায়জরি। পাউতাক নত্রগা অপাম-পামদগী ৱারোল পীবিনবগীদমক ঐখোয়দা ইমেল থাবিরকউ visitsebi@sebi.gov.in দা।

| ইন্দেক্স | | লমায় মশিং |
|---|---|---|
| **সেক্যুরিতীজ মার্কেতকী ব্রাহৌদোক** | | |
| ১ | সেক্যুরিতীজ মার্কেতকী রিগুলেতরী ফ্রেমৱার্ক | ০২ |
| ২ | সেক্যুরিতীজ অমসুং সেক্যুরিতীজ মার্কেত করিনো? | ০৩ |
| ৩ | প্রাইমরী মার্কেত অমসুং সেকেন্দরি মার্কেত | ০৫ |
| ৪ | কনা কনানা মার্কেত ইনফ্রাস্ত্রকচর ইনস্তিত্যুসন অমসুং মার্কেতনো সেক্যুরিতী মার্কেত্তা ইন্তরমেদিয়রীশিং? | ০৭ |
| **ইনভেস্ত তৌবগী য়ুম্ফমশিং** | | |
| ৫ | সেক্যুরিতীজ মার্কেত্তা ইনভেস্ত তৌবগী মরুওইবা খুদোংথিবশিং | ০৯ |
| ৬ | খুদোংথিবশিং করম্না হন্থহনগনি? | ১০ |
| **একাউন্ত হাংবগী থৌওং** | | |
| ৭ | সেক্যুরিতীজ মার্কেত্তা ইনভেস্ত তৌবদা হান্না তৌবগী মথৌ তাবশিং | ১০ |
| ৮ | একাউন্ত হাংবগী থৌওং: নো য়োর ক্লাইন্ত (কে.ৱাই.সি.)গী থৌওং চত্থবা | ১১ |
| ৯ | বেসিক সর্ভিস দিমাত একাউন্ত(বি.এস.দি.এ.) | ১২ |
| ১০ | পাৱর ওফ এতোর্নী | ১৩ |
| ১১ | নোমিনেসন | ১৪ |
| **ঐহাক্না করম্না সেক্যুরিতীজ মার্কেত্তা ইনভেস্ত তৌগনি?** | | |
| ১২ | প্রাইমরী মার্কেত্তা ইনভেস্ত তৌবা | ১৪ |
| ১৩ | প্রাইমরী মার্কেত্তা ইনভেস্ত তৌবদা চত্থবা থৌওং | ১৫ |
| ১৪ | এপ্লিকেসন সপোর্তেদ বাই ব্লোক এমাউন্ত (এ.এস.বি.এ.) | ১৬ |
| ১৫ | সেকেন্দরি মার্কেত্তা ইনভেস্ত তৌবা | ১৬ |
| ১৬ | ত্রেদিংগী নুমীৎশিং অমসুং ত্রেদশিংগী ত্রেদিং এন্দ সেতলমেন্ত তৌবা | ১৭ |
| ১৭ | কন্ত্রেক্ত নোত | ১৮ |
| ১৮ | ইনভেস্তরশিংদা SMS অমসুং ইমেল থাদুনা খংহনবীয়ু | ১৯ |
| ১৯ | রনিং একাউন্ত ওথোরাইজেসন | ২০ |
| ২০ | ত্রেদ ভেরিফিকেসন | ২০ |
| ২১ | মার্জিন মনি হায়বসি করিনো? | ২১ |
| ২২ | স্তোক ব্রোকর অমসুং দিপোজিতরীদগী একাউন্তকী স্তেতমেন্ত শরুক য়ারিবশিং | ২১ |
| ২৩ | কন্সোলিদেতেদ একাউন্ত এস্তেতমেন্ত (সি.এ.এস.) | ২২ |
| ২৪ | দিরাইভেতিবস মার্কেত | ২২ |
| **ম্যুচুএল ফন্দস অমসুং ই.তি.এফ.** | | |
| ২৫ | ম্যুচুএল ফন্দশিং | ২৩ |
| ২৬ | ম্যুচুএল ফন্দশিংদা করম্না ইনভেস্ত তৌগনি? | ২৪ |
| ২৭ | ম্যুচুএল ফন্দশিংদা মমিং লৈরবা প্রদক্ত | ২৪ |
| ২৮ | একচেঞ্জ ত্রেদেদ ফন্দস (ই.তি.এফ.) | ২৫ |
| **সেক্যুরিতীজ মার্কেত্তা ৱাকৎ অদু লোইশিলহনবা** | | |
| ২৯ | সেবি কমপ্লেন্তস রিদ্রেস সিস্তেম (এস.সি.ও.আর.ই.এস.) | ২৫ |
| ৩০ | স্তোক একচেঞ্জ এন্দ দিপোজিতরীগী ইনভেস্তর সর্ভিস সেল | ২৬ |
| ৩১ | আর্বিত্রেসন মেকানিজম | ২৭ |

| | | | |
|---|---|---|---|
| অনক্লেম শেয়র/ অনপেদ দিভিদেন্দ এমাউন্তকী মরমদা ই-পাও– আই.ই.পি.এফ. | | | ২৭ |
| | | এনেক্সর | |
| ৩২ | এনেক্সর – ১ | সেক্যুরিতীশিংদা ইনভেস্ত তৌবা/ ত্রেদিং তৌবদা তৌগদবা অমসুং তৌরোইদবশি মার্কেত | ২৮ |
| ৩৩ | এনেক্সর – ২ | ইনভেস্তরশিংগী হক অমসুং তৌফম থোকপশিং | ৩০ |
| ৩৪ | এনেক্সর – ৩ | অনরেজিস্তর্দ ইনভেস্তমেন্ত এদভাইজরশিংদগী চেকশিনগদবা | ৩১ |
| ৩৫ | এনেক্সর – ৪ | এ.এস.বি.এ.দা য়ুনিফাইদ পেমেন্ত ইন্তরফেস (য়ু.পি.আই.) | ৩৪ |
| ৩৬ | এনেক্সর - ৫ | গ্লোসরি | ৩৫ |

**...না থোকপা**

भारतीय प्रतिभूति और विनिमय बोर्ड
Securities and Exchange Board of India

NSE IPFT

BSE INVESTORS' PROTECTION FUND

MSE METROPOLITAN STOCK EXCHANGE Investor Protection Fund Trust

NSDL Technology, Trust & Reach IPFT

CDSL

**তরান্না ওকচরি অমসুং খুরমজরি...**

অদোম সেক্যুরিতীজ মার্কেত্তা কম্পেনী অমগী শেয়রদা অমসুং ম্যুচুএল ফন্দশিংদা শেল থাদবা পাম্বা ইনভেস্তর অমরা?

করিগুম্বা ওইরবদি, সেক্যুরিতীজ মার্কেত্তা শেল থাদবগী তঙাইফদবশিং খঙবা পাম্লমগনি।

মসিগী বুকলেৎ অসি অখন্নবা ইনভেস্তমেন্ত অমত্তগী লমজিং লমতাক্লবা নত্তে তৌইগুম্বসুং সেক্যুরিতীজ মার্কেতকী মরমদা মরুওইবা ৱারোলশিং পীরি। মসিগী বুকলেৎ অসি অতোপ্পা রিগুলেতরশিং হায়বদি রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর.বি.আই.), ইন্সুরেন্স রিগুলেতরী এন্দ দিভেলপমেন্ত ওথোরিতী ওফ ইন্দিয়া (আই.আর.দি.এ.আই.), পেন্সন ফন্দ রিগুলেতরী এন্দ দিভেলপমেন্ত ওথোরিতী (পি.এফ.আর.দি.এ.), মিনিস্ত্রী ওফ কোরপোরেত এফেয়রস (এম.সি.এ.) অসিনচিংবগী ফ্রেমৱার্ককী মখাদা শেল থাদনবগী নত্তে।

# ১

## সেক্যুরিতীজ মার্কেতশিংগী ওইবা রিগুলেতরী ফ্রেমৱার্ক




কম্পেনী অমগী শেয়রশিং, ম্যুচুএল ফন্দসকী য়ুনিতশিং, দিরাইভেতিবশিংনচিংবা লৈবা-য়োনবগী রিগুলেসনশিং অমদি সেক্যুরিতীশিং দিল তৌবা অমসুং স্তোক এক্সচেঞ্জশিং, কোমোদিতী দিরাইবেতিব একচেঞ্জশিং অমসুং দিপোজিতরীশিং অসি সেবি এক্ত, ১৯৯২ (সেবি এক্ত) অমসুং তোঙান-তোঙানবা সেবিগী রিগুলেসনশিং/সার্কুলরশিং/গাইদলাইনশিং/দাইরেক্তিবশিংগী তর্মশিংদা সেক্যুরিতীজ এন্দ এক্সচেঞ্জ বোর্দ ওফ ইন্দিয়া (সেবি)গী মীৎয়েংখাদা লৈ।

সেবি অসি সেবি এক্তকী প্রোবিজনশিংগী মতুং ইন্না এপ্রিল ১২, ১৯৯২ দা সেবি লিংখৎখি। সেবিগী পান্দমদি সেক্যুরিতীশিংদা শেল থাদরিবা ইনভেস্তরশিংবু ঙাক-শেনবনি অমসুং সেক্যুরিতীজ মার্কেতকী ওইবা হীরমশিং চাওখৎহনবনি অমসুং মসিগা মরি লৈনবা নত্রগা খুদক্তা থোক্লকপা থৌদোকশিংবু রিগুলেত তৌবনি।

হৌজিক্কী ওইনা, "সেক্যুরিতীজ মার্কেত" পু ঙাক-শেল্লিবা মপুং ওইবা লেজিসলেসন মরীদিঃ

- সেবি এক্ত, ১৯৯২, মসিনা সেবিদা ৱায়েল-কাংলোনগী ওইবা পাৱর পীরি – (i) সেক্যুরিতীজদা শেল থাদরিবা ইনভেস্তরশিং ঙাক-শেনবা, (ii) সেক্যুরিতীজ মার্কেত চাওখৎহনবা, অমসুং (iii) সেক্যুরিতীজ মার্কেত রিগুলেত তৌবা।
- কম্পেনীজ এক্ত, ২০১৩, মসিনা সেক্যুরিতীজ ইসু তৌবা, এলোতমেন্ত অমসুং ত্রান্সফর তৌবা অমসুং সেক্যুরিতীজগা মরি লৈনবা মীয়ামগী খুদোংচাদবশিংগী চৎন-কাংলোনশিং পী।
- সেক্যুরিতীজ কন্ত্রেক্তস (রিগুলেসন) এক্ত, ১৯৫৬, মসিনা স্তোক এক্সচেঞ্জ অমদা সেক্যুরিতীজদা ত্রাঞ্জেক্সন তৌবদা শকখঙবা অমসুং চৎন-কাংলোনশিং পী।
- দিপোজিতরীজ এক্ত, ১৯৯৬, মসিনা ইলেক্ত্রোনিক মেন্তেনেন্স অমসুং দিমেতরিএলাইজ (দিমাত) শেয়রসকী ওনরশিপ ত্রান্সফর তৌবা পী।




# ২

## সেক্যুরিতীজ অমসুং সেক্যুরিতীজ মার্কেত করিনো?



ইক্বিতী শেয়র নত্রগা ময়াম্না শেয়র হায়না কৌনবা অসিনা কম্পেনী অমদা ওনরশিপকী শেয়র তাকই। ইনভেস্তর অমনা কম্পেনী অমদা থাদরিবা শেয়র অসিবু শেয়রহোল্দর কৌই অমসুং মহাকপু কোর্পোরেতকী খুদোংচাবা পুন্নমক খুদম ওইনা ফংলক্লিবা শেন্দোংগী চাকথুং, কম্পেনীগী অহেনবা শেন্দোংনচিংবা ফংগনি। ইনভেস্তর অসি কম্পেনীগী দিসিজন মেকিংগী চথ্খবা থবক্তা য়াওনবগীদমক কম্পেনীগী জেনরেল মীতিংদা ভোত থাদবগী হক লৈ।




দেব্ত সেক্যুরিতীশিং অসিনা কম্পেনী / ইনস্তিত্যুসন্না ইনভেস্তর অমদগী পূরুবা শেনফম অদুনি অমসুং মসি ইনভেস্তরদুদা অমুক শিংগদবনি। দেব্ত সেক্যুরিতীশিং অসি দিবেনচরশিং নত্রগা বোন্দশিং হায়নসু কৌই। দেব্ত সেক্যুরিতীদা শেল থাদরিবা ইনভেস্তর অসিনা শেল্লেপ (হায়বদি থাদখিবা শেল)কী শেন্দোই /কুপনশিং অমসুং অমুক হন্না পেমেন্ত ফংনবা হক ফংগনি দেব্ত সেক্যুরিতীজ অসি অকন্নবা মতমগী ওইনা পীবনি। মতমসি লোইবা মতমদা সেক্যুরিতীশিং অসি পীরিবা অদুনা লৌথোকপা য়াগনি। দেব্ত সেক্যুরিতীজ অসি শোয়-ঙাম্লরোইদবা (কোলেতরেলনা ঙাক্লৌ পীরবা) নত্রগা শোয়-ঙামগদবা ওইবা য়াই।



দিরাইভেতিবশিংঅসি অতোপ্পা লন-থুমগী ভেল্যুগী মখা পোনবা শেল-থুমগী পাম্বৈ খুদম ওইনা শেয়রশিং, দেব্ত সেক্যুরিতীশিং, কমোদিতীশিংনচিংবগী ভেল্যুগী মখা পোনবা শেল-থুমগী পাম্বৈশিংনি। মপুংওইবা একচেঞ্জ ত্রেদ তৌবা দিরাইভেতিবসশিংদি ফ্যুচরশিং অমসুং ওপ্সনশিংনি।



ম্যুচুএল ফন্দশিংঅসি ইনভেস্তর ময়ামদগী খোমজিনবা অপুনবা শেনফম অদুনা শেম্বা শেল-থুমগী পাম্বৈশিংগী মখলনি। মসিগী ফন্দশিং/ম্যুচুএল ফন্দশিং অসি ওইনা শেয়রস, বোন্দস, মনি মার্কেত ইনস্ত্রুমেন্ত অমসুং অতোপ্পা লন-থুমশিংগী সেক্যুরিতীজদা অমুক থাদে।

সেক্যুরিতীজ মার্কেত অসি ইনভেস্তরশিং (মীয়াম)দা ইক্বিতী শেয়রস, দেব্ত সেক্যুরিতীজ, দিরাইভেতিবস, ম্যুচুয়েল ফন্দশিংনচিংবা পীদুনা কম্পেনীশিংনা ফন্দ হেনগৎপা য়াবা মফম অমনি অমসুং ইনভেস্তরশিংনা তোঙান-তোঙানবা সেক্যুরিতী কয়া (শেয়রশিং, বোন্দশিংনচিংবা) লৈবা নত্রগা য়োনবা য়াবা মফম অমসুনি। শেয়রশিং (নত্রগা সেক্যুরিতীশিং) অসি মীয়ামদা অমুকপু পীখ্রবদি, শকখঙলবা স্তোক একচেঞ্জশিংদা কম্পেনীনা শেয়রস (নত্রগা সেক্যুরিতীজ)গী লিস্ত পীবগী মথৌ তাই। সেক্যুরিতীজ মার্কেত অসি কেপিতেল মার্কেতকী শরুক অমনি।



সেক্যুরিতীজ মার্কেতকী মরুওইবা মথৌদি ইনভেস্তরশিংদগী সেভিংশিংদু মথৌ তাবা মীওইশিংদা পীথোকপা ঙমহনবনি। মসি ইনভেস্তরশিংনা ফন্দগী মথৌ তাবা কম্পেনীশিং/এন্তিতীশিংগী সেক্যুরিতীশিংদা শেল থাদরবা মতমদা পাংথোকই। ইনভেস্তরশিংনা শেন্দোই, ফংলক্লিবা শেন্দোংগী চাকথুং, শেলেপকী কাখৎলকপা মমল, বোনসনচিংবা ফংগনি। অসিগুম্বা ইনভেস্তমেন্তশিং অসিনা লৈবাক অসিগী শেন্মীৎলোন হেনগৎহনবদা মতেং পাংই।




সেক্যুরিতীজ মার্কেতকী অমগা-অমগা মখা পোন্নবা অমসুং তৎন-থানবা য়াদ্রবা শরুক অনী লৈ, হায়রিবশিং অসি মখাদা পীরি:

সেক্যুরিতীজ মার্কেত

- ০১ প্রাইমরী মর্কেত
  - ০১ (পান্দম: শেল খোমগৎপা)
  - ০২ (আই.পি.ও.) তৌদুনা অনৌবা সেক্যুরিতীশিং পীবা য়াওই। ইনিসিয়েল পব্লিক ওফর
- ০২ সেকেন্দরি মর্কেত
  - ০১ পান্দম: শেলেপ হেনগৎলকপা
  - ০২ হান্নবা মীয়ামদা পীখ্রবা সেক্যুরিতীশিং অদু মখা তানা ত্রেদিং তৌবা য়াওই।

# ৩

## প্রাইমরী মার্কেত অমসুং সেকেন্দরি মার্কেত




প্রাইমরী মার্কেত: মার্কেত অসি ন্যু ইসুজ মার্কেত হায়নসু কৌই। মসিদা কম্পেনী/ ইনস্তিত্যুসনশিংনা অনৌবা সেক্যুরিতীজ (শেয়রশিং, দিবেনচরশিং, বোন্দশিংনচিংবা) পীদুনা পব্লিক্তগী ফন্দশিং (শেল্লেপ) হেনগৎহল্লি।

সেক্যুরিতীশিং পীরিবশিংগী অচৌবা মখল অনী লৈ।

- কোর্পোরেত এন্তিতীজ (কম্পেনীজ) মসিনা মপুংওইনা ইক্বিতী ইনস্ত্রুমেন্তশিং (শেয়রশিং)অমসুং দেব্‌ত ইনস্ত্রুমেন্তশিং (বোন্দশিং, দিবেনচরশিংনচিংবা) পী।
- দেব্‌ত সেক্যুরিতীশিং (দেতেদ সেক্যুরিতীশিং অমসুং ত্রেজরী বিলশিং) পীবা গভর্মেন্ত (সেন্ত্রেল অমসুং স্তেত)।

### প্রাইমরী মার্কেতনা পীবা ইসু মখলশিং:



**১ পব্লিক ইসু**

সেক্যুরিতীশিং অসি মীওই পুন্নমক্তা পী অমসুং কনাগুম্বা অমনা মখোয়দু সবস্ক্রাইব তৌবা য়াই। ইক্বিতী শেয়রগী পব্লিক ইসু অসি মখাগী অসিগুম্বা খায়দোকপা য়াই:

**i. ইনিসিএল পব্লিক ওফর**

আই.পি.ও. অসি কম্পেনীনা শেয়রগী অহানবা পব্লিক ওফর পীবা অদুনি। আই.পি.ও. অসি মখাগী অসিগী মওং অমদা ওইবা য়াই:

-　　শেয়রশিংগী ফ্রেশ ইসু মসিদা অনৌবা শেয়র অসি কম্পেনীনা পব্লিক ইনভেস্তরশিংদা পী। অসিগুম্বা ইসু অসিদা ইনভেস্তরশিংগী ফন্দ অদু পীরিবা অসিগী মরমদা শীজিন্নবগীদমক কম্পেনীদা চঙখিগনি।

-　　য়োনবগী ওফর মসিদা লৈরিবা শেয়রহোল্দরশিং খুদম ওইনা প্রমোতরশিং নত্রগা ফাইনান্সিয়েল ইনস্তিত্যুসনশিং নত্রগা অতোপ্পা মী অমা হেক্তনা মখোয়গী লৈরিবা অদু পব্লিক্তা ওফর তৌই। অসিগুম্বা ইসু অসিদা ইনভেস্তরশিংগী ফন্দ অদু শেয়রশিং য়োল্লিবশিংদা চঙখিগনি, কম্পেনীদা চঙলোই।

ii. ফোলো ওন পব্লিক ওফর

মসি মমাংদা হান্না আই.পি.ও. তৌখ্রবা ইসু তৌরিবা মী/ কম্পেনীনা তৌই অমসুং পব্লিক্তা অনৌবা সেক্যুরিতী ইসু তৌই।

## ২ প্রিফরেন্সিয়েল ইসু



অসিগুম্বা ইসু অসিদা সেক্যুরিতীশিং অসি শকখঙলবা ইনভেস্তরশিংগী কাংলুপ অমদা খুদম ওইনা প্রোমোতরশিং, স্ত্রেতেজিক ইনভেস্তরশিং, ইমপ্লোয়ীশিংনচিংবদা পী।

## ৩ রাইত্স ইসু



কম্পেনীনা মসিগী লৈরিবা শেয়রহোল্দরশিংদা মখোয়গী লৈরিবা শেয়রহোল্দিংগা চান্না নৌনা ইসু তৌবা শেয়রশিং সবস্ক্রাইব তৌবগী হক পীবা মতমদা মসিবু রাইত্স ইসু কৌই।

## ৪ বোনস ইসু



কম্পেনী অমগী লৈরিবা শেয়রহোল্দরশিংদা মখোয়গী লৈরিবা শেয়রহোল্দিংগা চান্না অমসুং অহেনবা শেনচৎ য়াওদনা অহেনবা শেয়র পীরবদি মসিবু বোনস ইসু কৌই।

পব্লিক্তগী ফন্দশিং হেনগৎহন্নবা সেবিদা ওফর দোকুমেন্ত অমা ফাইল তৌবগী মথৌ তাই। হায়রিবা অসি দ্রাফ রেদ হেরিং প্রোসপেক্তস নত্রগা দ্রাফ প্রোসপেক্তস কৌই। প্রোস্পেক্তসতা অকুপ্পা মরোল খুদম ওইনা কম্পেনীগী হিস্ত্রী, প্রমোতরশিংগী অকুপ্পা মরোল, ব্যুজিনেসকী মওং, কম্পেনীগী শেল-থুমগী হিস্ত্রী, ব্যুজিনেস অদুগী খুদোংথীবা, শেল হেনগৎপগী মরম, ইসুগী তর্মশিং অমসুং অসিগুম্বা কম্পেনী অদুগী শেয়রদা ইনভেস্তমেন্ত তৌবগী খঙহল্লবা ৱারোল পীবদা ইনভেস্তরদা মতেং পাংগদবা অতোপ্পা ই-পাওশিং য়াওই। প্রাইমরী মার্কেত্তা ইসু তৌবা সেক্যুরিতীশিং অদু ইসু অসি লোইশিল্লবা তাং অদুগী মতুং ৱার্কিং দেজ নুমীৎ তরুক (০৬) নিগী মনুংদা শকখঙলবা স্তোক একচেঞ্জ অমদা লিস্ত তৌই। অদুদগী শেয়রশিং অসি শেয়রশিংগী মখাতাবা ত্রেদিং তৌবা য়াবা শকখঙলবা স্তোক একচেঞ্জদা লিস্ত থোকই।

কম্পেনীনা পীরবা শেয়রশিংদু ইনভেস্তরগী দিমাত একাউন্ততা ক্রেদিত তৌই। হায়রিবা অসি মখাগী অসিনা শেন্নে। সেবি রেজিস্তর্দ দিপোজিতরীগী থোংদগী তৌবা দিপোজিতরী শরুক য়ারিবা (দি.পি.)। ইনভেস্তর অমনা শেয়রশিং য়োনবা য়াই সেবি অমদগী রেজিস্তর তৌরবা স্তোক ব্রোকরদগী তৌবা স্তোক একচেঞ্জদা অমসুং শেল ফংই।

भारतीय प्रतिभूति और विनिमय बोर्ड
Securities and Exchange Board of India

সেকেন্দরি মার্কেত প্রাইমরী মার্কেত্তা সেক্যুরিতীশিং হেক ইসু তৌবগা স্তোক একচেঞ্জদা লিস্ত তৌই অমসুং ইনভেস্তরনা লিস্ত তৌরবা সেক্যুরিতীজ অসি স্তোক একচেঞ্জদুগী মতেংনা লৈবা নত্রগা য়োনবা য়াই। স্তোক একচেঞ্জদা মপুংওইবা সেগমেন্ত অনী লৈ – কেশ মার্কেত সেগমেন্ত অমসুং দিরাইভেতিবস মার্কেত সেগমেন্ত।



# ৪

## কনা কনানা সেক্যুরিতীজ মার্কেত্তা মার্কেত ইনফ্রাস্ত্রকচর ইনস্তিত্যুসন অমসুং মার্কেত ইন্তরমেদিয়রীশিংনো?



মার্কেত ইনফ্রাস্ত্রকচর ইনস্তিত্যুসন: সেক্যুরিতীজ মার্কেত (খুদম ওইনা, সেক্যুরিতীশিং ইসু তৌবা, লৈবা অমসুং য়োনবা) ত্রাঞ্জেক্সনগী খুদোংচাবা পীনবা ইনফ্রাস্ত্রকচর অসি স্তোক একচেঞ্জস, দিপোজিতরীজ অমসুং ক্লিয়রিং কোর্পোরেসনশিং পী। ইনস্তিত্যুসনশিং অসি মার্কেত ইনফ্রাস্ত্রকচর ইনস্তিত্যুসন্স (এম.আই.আই.) হায়না খঙনৈ। সেবিদা রেজিস্তর তৌরবা মার্কেত ইনফ্রাস্ত্রকচর ইনস্তিত্যুসন (এম.আই.আই.)গী লিস্ত অমা লিঙ্ক অসিদা ফংবীগনি: https://www.sebi.gov.in/intermediaries.html.



স্তোক একচেঞ্জনা সেক্যুরিতীশিং লৈবা অমসুং য়োনবগী খুদোংচাবা পীনবা মখোয়গী রেজিস্তর তৌরবা স্তোক ব্রোকরশিংগী খুৎথাংদা অমসুং মার্কেতনা লেপ্পা মমলদা য়াম্না ফজবা মওং অমদা ত্রেদিং প্লেতফোর্মদা য়ুম্ফম ওইবা লৈবাক পুম্বা পাক-শন্না লৈবা কম্প্যুতরাইজ স্ক্রীন অমা পীরি। সেবিনা শকখঙলবা ইন্দিয়াদা লৈরিবা স্তোক একচেঞ্জশিংগী লিস্ত অমা লিঙ্ক অসিদা ফংবীগনি: https://www.sebi.gov.in/stock-exchanges.html.

অচৌবা নেসন-ৱাইদ স্তোক একচেঞ্জশিংদি বি.এস.ই. লিমিতেদ (বি.এস.ই.), নেস্নেল স্তোক একচেঞ্জ ওফ ইন্দিয়া লিমিতেদ (এন.এস.ই.) অমসুং মেত্রোপোলিতান স্তোক একচেঞ্জ ওফ ইন্দিয়া লিমিতেদ (এম.এস.ই.)

ক্লিয়রিং কোর্পোরেসন্স: ক্লিয়রিং কোর্পোরেসন্সগী মপুংওইবা ফংঙ্কসনদি স্তোক একচেঞ্জদা পাংথোকপা ত্রেদশিংগী সেতলমেন্ত গরেন্তী পীবনি। অতোপ্পা ৱাহৈ অমদা ক্লিয়রিং কোর্পোরেসনশিংনা লৈরিবা মী পুন্নমক্না মহাক্না লৈরিবা অদুগী সেক্যুরিতীশিং অদু ফংনবগী গরেন্তি পীরি অমসুং সেক্যুরিতীশিং অদু য়োল্লিবা মী খুদিংমক্না মহাক্না য়োল্লিবা সেক্যুরিতীশিং অদুগী শেনফম ফংগনি।

দিপোজিতরীজ: দিপোজিতরীশিং অসি দিমেতরিয়েলাইজ/ইলেক্ট্রোনিক মওংদা ইনভেস্তরশিংগী সেক্যুরিতীজ অদু থম্বা ইনস্তিত্যুসনশিংনি অমসুং ইনভেস্তরশিংদা মখোয়গী দিপোজিতরী পার্তিসিপেন্তস (দি.পি.) গী মতেংনা দিমাত সর্ভিস ফংহল্লি। ঐখোয়গী লৈবাক্তা দিপোজিতরীজ অনী লৈ। মমিংদি, নেস্নেল সেক্যুরিতীজ দিপোজিতরী লিমিতেদ (এন.এস.দি.এল.) অমসুং সেন্ত্রেল দিপোজিতরী সর্ভিসেস (ইন্দিয়া) লিমিতেদ (সি.দি.এস.এল.) নি। দিপোজিতরী অমমমগী মখাদা দিমাত একাউন্ত হাংদোকপা অমসুং শেন্নবা, শেয়রশিং দিমেতরিয়েলাইজেসন তৌবনচিংবা সর্ভিস কয়া ইনভেস্তরশিংদা পীবা রেজিস্তর তৌরবা দিপোজিতরী পার্তিসিপেন্তশিং (দি.পি.) (বেঙ্কশিংগী ব্রাঞ্চশিংগুম্না) লৈ।



মার্কেত ইন্তরমেদিয়রীজ অসি প্রাইমরী অমসুং সেকেন্দরি মার্কেতশিং ফজনা মথৌ তৌহনবদা মরুওইবা পার্তিসিপেন্তশিংনি। মার্কেত ইন্তরমেদিয়রীসশিং অসিনা সেক্যুরিতীশিং লৈবা নত্রগা য়োনবগী একজেক্যুতিং ওর্দরশিংগী থৌওংদা, সেক্যুরিতীজ দিলিং তৌবা অমসুং সেক্যুরিতীশিংগী ত্রেদিংগা মরী লৈনবা ই-পাও পীবদা তেংবাং পী। মরুওইবা ইন্তরমেদিয়রীশিং খরদি স্তোক ব্রোকরশিং, দিপোজিতরী পার্তিসিপেন্তশিং, মার্চেন্ত বেঙ্করশিং, শেয়র অমসুং ট্রান্সফর এজেন্তশিং, রেজিস্ট্রারশিংনচিংবনি। অসিগুম্বা ইন্তরমেদিয়রীশিং পুন্নমক সেবিদা রেজিস্তর তৌই অমসুং ইনভেস্তরশিংবু ঙাকশেন্নবা পীরিবা নোর্মশিং ইনবগী মথৌ তাই।

সেবি গী শকখঙলবা মার্কেত ইন্তরমেদিয়রীশিংগী লিস্ত অমা লিঙ্ক অসিদা য়েংবিবা য়াগনি: https://www.sebi.gov.in.

## ইনভেস্ত তৌবগী য়ুম্ফমশিং

অদোম্না সেক্যুরিতীশিংদা ইনভেস্ত তৌবা হৌদ্রিঙৈগী মমাংদা অদোমগী ইনভেস্তমেন্তগী পান্দম, ওবজেক্তিব অমসুং রিস্ক এপিতাইত (অদোম্না রিস্ক লৌবা পাম্বগী মঙম) অদু খঙবা অমসুং মশক তাকপগী মথৌ তাই। ইনভেস্তমেন্তগী ৱারেপ খুদিংমক অদোমগী তঙাইফদবা অমসুং মথৌতাবদু মমি তাগদবনি অমসুং অদোমগী অপাম্বা অদুগী মখাপোন্না তৌবীগদবনি। খুদম ওইনা, অদোম্না শোয়রোইদবা প্রদক্ততা হায়বদি তপ্না তপ্না লাকপা রিতর্নদা ইনভেস্ত তৌবা পাম্বিবরা নত্রগা রিস্ক খরা ৱাংবা লৌবা পাম্বিবরা অমসুং হেন্না ৱাংবা রিতর্নগী প্রদক্ততা ইনভেস্ত তৌবা পাম্বিবরা। ইনভেস্তমেন্ত খুদিংমক ইনভেস্তমেন্ত অদুদা লৈরিবা ভেল্যু অদু অওনবা লাকপা য়াবগী রিস্ক লৈ। খুদম ওইনা, ওতোমোবাইল ইন্দস্ত্রিগী শেয়রদা ইনভেস্ত তৌরবদি ওতোমোবাইল ইন্দস্ত্রি (য়োনবগী চাং ৱাংখৎপা নত্রগা তাথবা নত্রগা কারগী ব্রান্দ অমনা অতোপ্পা ব্রান্দ অমদগী হেন্না য়োনবা য়াবনচিংবা)দা লৈবা রিস্ক অদু য়াওগনি।



অদোমগী পান্দম অদু লেপথোকপগা অমসুং অদোমগী মায়োক্লগদৌরিবা রিস্ক মশক খঙদোকপগা অদোম্না ইনভেস্ত তৌবা পাম্বা শেনফম অমসুং মতম কয়া শাংনা ইনভেস্ত তৌবা পাম্বগে হায়বদু লেপথোকপীয়ু। রিস্ক লৌবা ঙম্বসি ইনভেস্তর অমগা ইনভেস্তর অমগা খেন্নে অমসুং পান্দমগী মখা পোল্লি অদুগা ইনভেস্তর অদুগী চহীগীসু মখা পোল্লি।



ইনভেস্তরশিংদা মখোয়গী হক, মথৌশিং, ইনভেস্ত তৌবগী তৌগদবা অমসুং তৌরোইদবশিং ফজনা খঙহনগদবনি অমসুং হায়রিবা চেরোলশিং অসি সেবি অমসুং স্তোক একচেঞ্জ অমসুং দিপোজিতরীশিংগী ৱেবসাইতশিংদা ফংই। সেক্যুরিজ মার্কেত্তা ইনভেস্ত তৌবগী তৌগদবা অমসুং তৌরোইদবশিং অদু বুকলেৎ অসিগী এনেক্সর-I দসু য়াওরে। মসিগী মখা তারকপা ওইনা ইনভেস্তরশিংগী হক অমসুং তৌফম থোকপশিং বুকলেৎঅসিগী এনেক্সর-II দা য়াওরি।







ইনভেস্তরশিংনা কম্পেনী অমগী শেয়রশিংদা ইনভেস্ত তৌদ্রিঙৈগী মমাংদা ৱারেপ অদু খঙহনগদবনি। মখোয়না কম্পেনীগা মরী লৈনবা দিসক্লোজরশিং, প্রমোতরশিং অমসুং প্রোজেক্তকী অকুপ্পা মরোল, শেল-থুমগী অকুপ্পা মরোল অসিনচিংবা কম্পেনীগা মরী লৈনবা ই-পাও খুদিংমক চেকশিন্না পাবিগদবনি। অসিগুম্বা অকুপ্পা মরোল অসি স্তোক একচেঞ্জগী ৱেবসাইতশিংদা ফংগনি।




সেক্যুরিতীজ মার্কেত্তা ইনভেস্ত তৌনবগীদমক ইনভেস্তরশিংনা সেবিদা রেজিস্তর তৌরবা ইনভেস্তমেন্ত এদভাইজর অমদা চৎপীবা য়াগনি। সেবিদা রেজিস্তর তৌরবা ইনভেস্তমেন্ত এদভাইজরশিংগী লিস্ত অমা মখাগী লিঙ্ক অসিদা ফংগনি:
https://www.sebi.gov.in.

অদুম ওইনমক রেজিস্তর তৌদবা ইনভেস্তমেন্ত এদভাইজরশিংদগী নাতে চাদবা ইনভেস্তমেন্তকী পাউতাক্তগী ইনভেস্তরশিংনা চেকশিনগদবনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক বুকলেৎ অসিগী এনেক্সর-III দা য়েংবীবা য়াগনি।

# ৫


## সেক্যুরিতীজ মার্কেত্তা ইনভেস্ত তৌবগী মপুংওইবা রিস্ক



মার্কেত রিস্ক নত্রগা সিস্তেমিক রিস্ক: মসি লৈবাক অসিগী সেক্যুরিতীজ অমসুং জেনরেল ইকোনোমিগী অপুনবা পর্ফোর্মেন্সতা শোকহনবনা মরম ওইদুনা ইনভেস্তমেন্তশিংদা মায়োক্নরিবা রিস্ক হায়বনি।




অনসিস্তেমিক রিস্ক: অনসিস্তেমিক রিস্ক অসি অখন্নবা কম্পেনী নত্রগা ইন্দস্ত্রী অমদা লৈরিবা রিস্ক অদুনি।



ইনফ্লেসন রিস্ক: ইনফ্লেসন রিস্ক অসি পর্চেজিং পাৱর রিস্ক হায়নসু কৌই। মসি ইনফ্লেসন্না মরম ওইদুনা পর্চেজিং পাৱর হন্থরকপনা ইনভেস্তমেন্ত অমদগী ওইরিবা কেশ ফ্লোস অদু মতুংদা মখোয়গী ভেল্যু মাংখিবগী ওইবা য়াবা অদুনি হায়না তাক্লি।



লিক্বিদিতী রিস্ক ইনভেস্তমেন্ত মতাং চানা থুনা লৈবা নত্রগা য়োনবা ঙমদবা মতমদা লিক্বিদিতী রিস্ক হেনগৎলকই।



ব্যুজিনেস রিস্ক: মসি কম্পেনী অমগী ব্যুজিনেস শোকহনবা মতমদা নত্রগা ফীভম চাদবা ওপরেসন, মার্কেত নত্রগা শেল-থুমগী ফীভম্না মরম ওইদুনা মসিগী ওপরেসন লেপখিবা য়াবগী রিস্ক অদুনি।

ভোলেতিলিতী রিস্ক: কম্পেনীগী স্তোক প্রাইসশিং মতম শাংনা অকা-অকুম তৌরকপনা ভোলেতিলিতি রিস্ক হেনগৎলকই।

করেন্সি রিস্ক: মসি ইনভেস্তর অমনা ফোরেন করেন্সিদা ইনভেস্ত তৌবা নত্রগা ফোরেন-করেন্সি-ত্রেদেদ ইনভেস্তমেন্ত তৌবা মতমদা মায়োক্লবা ফোরেন একচেঞ্জ রেত অকা-অকুম তৌবদগী মাংবা পোতেন্সিয়েল রিস্ক অদুনি।

# ৬

## রিস্ক করন্না হন্থহনগনি?

ইনভেস্তরশিংনা তোঙান-তোঙানবা পাম্বৈ কয়ানা রিস্ক হন্থহন্নবা হোৎনবা য়াই। এসেত এলোকেসন অসি লাল্লোং অমনি। মসিগী মতেংনা ইনভেস্তর অমনা মহাক্কী ইনভেস্তমেন্ত অদু মখল কয়াগী কম্পেনীশিং অমসুং এসেত ক্লাসশিংদা খায়দোক্তুনা রিস্ক অদু হন্থহনবা য়াই।

একাউন্ত হাংবগী থৌওং

# ৭

## সেক্যুরিতীজ মার্কেত্তা ইনভেস্ত তৌবদা মাংজৌননা চঙগদবশিং।

ইক্বিতী শেয়রদা ইনভেস্ত তৌনবা ইনভেস্তর অমনা একাউন্ত অহুম হাংদোকপা মথৌ তাই। একাউন্ত মমিংশিং অদুদি:

বেঙ্ক একাউন্ত | ত্রেদিং একাউন্ত | দিমাত একাউন্ত

বেঙ্ক একাউন্ত

শকখঙলবা স্তোক একচেঞ্জ অমগী সেবিদা রেজিস্তর তৌরবা স্তোক ব্রোকর অমদা ত্রেদিং একাউন্ত নত্রগা ব্রোকিং একাউন্ত  একাউন্ত অসি স্তোক একচেঞ্জদা সেক্যুরিতীশিং লৈবা অমসুং য়োনবদা শীজিন্নৈ। ত্রেদিং একাউন্ত হাংদোক্লবা অদোম্না একাউন্ত ওপনিং ফোর্ম অদু মেনশিনবিগদবনি অদুগা খুৎয়েক পীরবা নো য়োর ক্লাইন্ত (কে.রাই.সি.) দোকুমেন্ত অদু পীশিনবিগদবনি।

একাউন্ত ওপনিং ফোর্ম মেনশিনবা মতমদা মখাগীশিং অসি চেকশিন্না তৌবীয়ু:

- তোঙান তোঙানবা একচেঞ্জশিংদা ত্রেদিংগী অপাম্বা তাকপা মতমদা অদোমগী খুৎয়েক পীগদবনি।
- অদোমগী একাউন্ততা পীবা য়াবা চার্জশিং/ফীশিং/ব্রোকরেজ পুন্নমক চেকশিন্না নোত তৌবীগদবনি অমসুং হায়রিবা অসিগী রেকোর্দ থম্বিগদবনি।
- অদোম্না ত্রেদ (কেশ, F&O, করেন্সি দিরাইভেতিব নত্রগা অতোপ্পা সেগমেন্ত পুন্নমক) তৌবা পাম্বা সেগমেন্তশিং অদু শক্তাকপীয়ু। দিরাইভেতিবশিং ত্রেদিং তৌবদা দিরাইভেতিব প্রদক্তশিং খঙবগী মথৌ তাই।
- অদোম্না অহেনবা খুদোংচাবশিং মমিং ওইনা রনিং একাউন্ত ফেসিলিতী, একজিক্যুসন ওফ পাৱর ওফ এতোর্নিনচিংবা ফংবা পাম্বিরবদি তুংদা চয়েৎনবা থোকহন্দনবা স্তোক ব্রোকরদা অখন্নবা ওথোরাইজেসন পীগদবনি।
- একাউন্ত ওপনিং ফোর্মদা অদোমগী ইমেল এদ্রেস অমসুং মোবাইল নম্বর হাপ্পিগদবনি। অদোম্বু ত্রেদিং অপদেত্তা অপদেত তৌনবগীদমক ব্রোকর অমসুং স্তোক একচেঞ্জশিংনা ই-পাও ফাওননবগী অকুপ্পা মরোল অসি শীজিন্নে। হায়রিবশিং অসি অদোম্না খঙজিনবা মরুওই।
- অদোমগী রেকোর্দকীদমক একাউন্ত ওপনিং ফোর্মগী কোপি অমা মতম পুন্নমক্তা পীয়ু হায়গদবনি।

৮

## একাউন্ত হাংদোকপগী থৌওং: নো য়োর ক্লাইন্ত (কে.ৱাই.সি.)গী থৌওং

দিমাত/ত্রেদিং/বেঙ্ক একাউন্ত হাংদোকপা মতমদা নো য়োর ক্লাইন্ত (কে.ৱাই.সি.) দোকুমেন্তশিং পীশিনগদবনি। কে.ৱাই.সি.না করিনো অমসুং মসি করিগী তঙাইফদবা ওইরিবনো হায়বা খঙসি?




কে.ৱাই.সি. অসি প্রিভেন্সন ওফ মনি লোন্দরিং এক্ত, ২০০২ অমসুং মসিগী মখাদা শেম্লিবা চৎন-কাংলোনশিংগী মখাদা তঙাইফদবনি। দিমাত/ত্রেদিং/বেঙ্ক একাউন্ত হাংদোকপা মতমদা শক্তাক্কী প্রুফ অমসুং লৈফমগী প্রুফ ওইনা ক্লাইন্তনা ওফিসিয়েল্লি ভেলিদ দোকুমেন্ত (ও.ভি.দি.) পীগদবনি অমসুং দোকুমেন্তশিং অসি কে.ৱাই.সি.গী চঙদবা য়াদবা শরুক অমা ওই । ইনভেস্তর অমনা মরী লৈননা পীরিবা দোকুমেন্তশিং খুদম ওইনা পেন কার্দ / ইয়ু.আই.দি.এ.আই-আধার/পাসপোর্ত/ভোতর আই.দি. কার্দ/দ্রাইভিং লাইসেন্সনচিংবগী মতেংনা মহাক্কী মশক অমসুং লৈফম তাকপা য়াগনি। কে.ৱাই.সি. ফোর্ম হেক পীশিনবগা য়ুনিক কে.ৱাই.সি. আইদেন্তিফিকেসন নম্বর (কে.আই.এন) শেমলকই অমসুং ক্লাইন্তদা এস.এম.এস./ইমেল থাদুনা পাউ পী। কে.ৱাই.সি. অসি অমুকখক তৌবা থৌওংনি অমসুং মসি ইন্তরমেদিয়রীশিং পুন্নমক্তা চৎনৈ। সেক্যুরিতীজ মার্কেত্তা অতোপ্পা ইন্তরমেদিয়রী অমদা একাউন্ত অমা হাংদোকপা মতমদা চপ মান্নবা থৌওং অসি অমুক হন্না তৌবগী মথৌ তাদে।

ই.-কে.ৱাই.সি.
ইনভেস্তরনা য়ু.আই.দি.এ.আই. – আধার/দিজি লোকর শীজিন্নদুনা ই.-কে.ৱাই.সি. ফেসিলিতী শীজিন্নদুনা কে.ৱাই.সি. গী থৌওং তৌবা য়াই

একাউন্ত হাংদোকপগী অকুপ্পা মরোল/ফোর্ম ওনলাইন্দা স্তোক ব্রোকরগী ৱেবসাইত্তা মেনশিল্লু।

তঙাইফদবা দোকুমেন্তশিং/পি.ও.এ. (প্রুফ ওফ এদ্রেস)/ পি.ও.আই. (প্রুফ ওফ আইদেন্তিতী)গী স্কেন তৌরবা ইমেজ পীশিল্লু।

আই.পি.ভি. (ইন পর্সন ভেরিফিকেসন)গী থৌওং ভিদিও কোল তৌদুনা মপুং ফাহল্লু।

দোকুমেন্ত অদু দিজিতেল ওইনা

একাউন্ত অদু এক্তিভেত তৌই।

তিপশিং

- খুৎয়েক পীদ্রিঙৈগী মমাংদা দোকুমেন্ত পুন্নমক পাবা অমসুং খঙবা শোয়বীগনু
- অহাংবা দোকুমেন্ত অমত্তা খুৎয়েক পীবীগনু।
- একাউন্ত ওপনিং কিতকী এনেক্সরদা য়াওরিবা তৌগদবা অমসুং তৌরোইদবশিং অদু মতম পুন্নমক্তা য়েংবীয়ু।
- অদোমগী একাউন্ততা ত্রাঞ্জেক্সনগী ওইবা এস.এম.এস. অমসুং ইমেল এলর্ত ফংনবা অদোমগী মোবাইল নম্বর অমসুং ইমেল এদ্রেস বেঙ্ক, দিপোজিতরী পার্তিসিপেন্ত অমসুং স্তোক ব্রোকরদা রেজিস্তর তৌবা শোয়বীগনু।

# ৯

## বেসিক সর্ভিসেস দিমাত একাউন্ত (বি.এস.দি.এ.)

বেসিক সর্ভিসেস দিমাত একাউন্ত (বি.এস.দি.এ.):

বেসিক সর্ভিসেস দিমাত একাউন্ত অসি দিমাত একাউন্ত (দিপোজিতরী পুন্নমক্তা) অমখক লৈবা মীওইশিংদা পীবা অমসুং মতম অমদা হেক্তা হোলদিংগী ভেল্যু অদু নন-দেৱ্ত সেক্যুরিতীজ (ইক্বিতীজগুম্না) অমসুং দেৱ্ত সেক্যুরিতীজ খুদিংগী লুপা লাখ ২ দগী হেন্দবা দিমাত একাউন্ত ফেসিলিতীনি।

বি.এস.দি.এ.গী এন্যুএল মেন্তেনেন্স চার্জেজ (এ.এম.সি.) স্ত্রকচর মখাদা পীরি:

| সেক্যুরিতীগী মখল | হোল্দিংশিংগী স্লেব্স ভেল্যু | চার্জশিং |
|---|---|---|
| নন-গী ওইনা দেবিত সেক্যুরিতীজ | লুপা ... ফাওবা ৫০,০০০/- | এ.এম.সি. লৈতে |
| | লুপা ৫০,০০১ দগী লুপা ... ফাওবা ২,০০,০০০/- | লুপা ... ফাওবা ১০০/- |
| দেব্ত সেক্যুরিজ | লুপা ... ফাওবা ১,০০,০০০/- | এ.এম.সি. লৈতে |
| | লুপা ১,০০,০০১ দগী লুপা ... ফাওবা ২,০০,০০০/- | লুপা ... ফাওবা ১০০/- |

মসিগী মতাংদা খ্বাইদগী নৌবা চৎন-কাংলোনশিংগীদমক সেবিগী নত্রগা মরী লৈনবা দিপোজিতরীগী ৱেবসাইত য়েংবীয়ু

মথক্তা পল্লিবা একাউন্ত অহুম (হায়বদি, বেঙ্ক একাউন্ত, দিমাত একাউন্ত অমসুং ত্রেদিং একাউন্ত)কী অপুনবা অসিবু "৩-in-১" একাউন্ত হায়না লৌই। ইনভেস্তরনা মথক্তা পল্লিবা একাউন্ত অহুম অসি তোঙান-তোঙানবা দিপোজিতরী পার্তিসিপেন্ত/ব্রোকর/ইনস্তিত্যুসন্দা তোঙা- তোঙান্না হাংবা য়াই নত্রগা একাউন্ত অহুম অসিবু পুন্না হাংদোকপগী খুদোংচাবা পীবা দিপোজিতরী পার্তিসিপেন্ত/ব্রোকর/ইনস্তিত্যুসন অমখক্তদা তৌবসু য়াগনি।

সেবিদা রেজিস্তর তৌরবা স্তোক ব্রোকরশিং অমসুং দিপোজিতরী পার্তিসিপেন্তশিংগী লিস্ত অমা সেবিগী ওফিসিয়েল ৱেবসাইত (www.sebi.gov.in) নত্রগা মরী লৈনবা স্তোক একচেঞ্জস নত্রগা দিপোজিতরীজগী ৱেবসাইতা ফংগনি।

## ১০

### পাৱর ওফ এতোর্নী




পাৱর ওফ এতোর্নী অসি অদোমগী একাউন্তশিংদা অদোমগী হক পীবা অমসুং এক্সেস তৌবা ঙমহনবনা অমসুং কনাগুম্বা অমদা শেল পীবা ঙমহনবনা য়ান্না মরুওইবা দোকুমেন্ত অমনি। সেক্যুরিতীজ মার্কেত্তা ক্লাইন্ত অমনা স্তোক ব্রোকর অমসুং/নত্রগা দিপোজিতরী পার্তিসিপেন্তগীদমক্তা শেয়র পীবা অমসুং ফন্দ পে-ইন/ পে-আউত তৌবদা খুদোংচাবা পীনবা মহাক্কী দিমাত অমসুং বেঙ্ক একাউন্ত ওপরেত তৌনবগী ওথোরাইজ তৌনবা পাৱর ওফ এতোর্নী (পি.ও.এ.) পাংথোকপা য়াই। সেবিগী লমজিং-লমতাক্কী মতুংইন্না অখন্নবা পাৱর ওফ এতোর্নী (পি.ও.এ.) অসি স্তোক ব্রোকর / দিপোজিতরী পার্তিসিপেন্তকীদমক্তা ক্লাইন্তনা পাংথোকপা য়াই।

সেবিগী লমজিং-লমতাক্কী মতুংইন্না খুৎয়েক পীবা অমসুং পাৱর ওফ এতোর্নী পীবা অসি তঙাইফদবা নত্তে। পাৱর ওফ এতোর্নী খুৎয়েক পীবা অসি তশেংনা ওপ্সনেল অমসুং ভোলুন্তরী ওই – করিগুম্বা অদোম্না মসি ফংলবদি পাৱর ওফ এতোর্নী খুৎয়েক পীবা অসি অদোমগীদমক কান্নবা ওই, অদোম্না মসি খুৎয়েক পীবা য়াই। অদোম্না মতম অমদা হেক্তা পাৱর ওফ এতোর্নী লৌথোকপা য়াই।

করিগুম্বা পি.ও.এ.গী মখাদা অদোম্না ওথোরাইজ তৌবা অদুগী ৱাংমগী মরম অমদা অদোমগী স্তোক ব্রোকরনা অদোমগী একাউন্ততা শেয়র ত্রান্সফর তৌবা য়াওরবদি খুদক্তা অদোমগী স্তোক ব্রোকরদা মরম অদু খঙদোক্কদবনি। করিগুম্বা মখোয়দগী পাউখুম অমত্তা ফংদ্রবদি নত্রগা পাউখুম অদুদা অদোম্না পেন্দবা ওইরবদি খুদক্তা অদোমগী দিপোজিতরী/একচেঞ্জদা মরম অদু খঙদোক্কদবনি।

করিগুম্বা স্তোক ব্রোকর/দিপোজিতর পার্তিসিপেন্তকীদমক অদোম্না পাৱর ওফ এতোর্নী (পি.ও.এ.) পাংথোকপা পাম্লবদি সেবি/ স্তোক একচেঞ্জ/দিপোজিতরীশিংনা পীবা মখোয়গী মরী লৈনবা ওফিসিয়েল ৱেবসাইত্তা ফংলিবা লমজিং-লমতাক অদু য়েংবীয়ু।

**লমজিং-লমতাকশিং**
https://www.sebi.gov.in/

## ১১

**নোমিনেসন**

নোমিনেসন অসি মখোয়গী দিমেত একাউন্তশিং নত্রগা রিদেম্পসন চথবা (ম্যুচুএল ফন্দ য়ুনিতকী)ইনভেস্তর অমনা মী অমবু নোমিনেত তৌবা য়াহন্নবা নত্রগা ইনভেস্তর অদুনা লৈখিবদবা মতমদা মওোন্দা লৈরিবা সেক্যুরিতীশিং অদু মখোয়গী দিমাত একাউন্ততা নোমিনেত তৌরিবা অদুনা ক্লেম তৌবা য়াহন্নবগী খুদোংচাবা অমনি।



ঐহাক্না সেক্যুরিতী মার্কেত্তা করম্না ইনভেস্ত তৌগনি?

## ১২

**প্রাইমরী মার্কেত্তা ইনভেস্তমেন্ত তৌবা**

পীরিবা কম্পেনীনা পব্লিক ওফরগা লোয়ননা মীচম-মীয়ামদা শেয়রশিং পীবা মতমদা অদোমসু মথৌতাবা এপ্লিকেসন ফোর্ম পীশিন্দুনা শেয়রশিং অদু এপ্লাই তৌবা য়াগনি। সেক্যুরিতীশিং পীনবগীদমক পীরিবা কম্পেনীনা রুল, রিগুলেসন্শিংনচিংবা খরা ইনগদবনি। পীরিবা রুল অমসুং রিগুলেসনশিংগী মতুংইন্না শেয়রশিং পীগনি। পীরিবা শেয়রশিং অদু দি.পি.গা লোয়ননা লৈরিবা এপ্লিকান্তকী দিমাত একাউন্ত অদুদা হাপচিনগনি। সেক্যুরিতীশিং পীবা অসি দিমাত ফোর্মদা তৌগনি অমসুং মখা তানা মখোয় অসি ফিজিকেল শেয়রদা ওন্থোক্নবা ইনভেস্তরশিংনা খনবা য়াবা অমা লৈ। পব্লিক ইস্যু লোইশিনবা মতমদা, ইস্যু অসি লোইশিনবদগী ৱার্কিং নুমীৎ তরুক (০৬) নিগী মনুংদা শেয়র পীরবশিং অদু শেয়রশিংগী মখা তাবা ত্রেদিং তৌবা য়াবা শকখঙলবা স্তোক একচেঞ্জদা লিস্ত তৌই।



নোত তৌবীয়ু:
খ্বাইদগী নৌবা সেবিগী লমজিং-লমতাক্পী মতুংইন্না অদোম্না ফিজিকেল ফোর্ম নত্রগা দিমাত ফোর্মদা সার্তিফিকেত শেয়র তৌবা সেক্যুরিতীশিং পায়দুনা থম্নবা খনবা য়াই। অদুম ওইনমক, এপ্রিল ০১, ২০১৯ দগী সেক্যুরিতীশিং অসি দিমাত ফোর্মদা চপ মান্নমা পায়রবদি ত্রান্সফর তৌবা য়াগনি। মরম অদুনা দিমাত একাউন্ত অমা হাংদোক্নবা হায়জরি অমসুং সেক্যুরিতীশিং পুম্নমক দিমাত ফোর্মদা পায়য়ু। শেয়রশিং অসি ইনহেরিতেন্স নত্রগা সক্সেসনগী মওংদা মখোয়গী লিগেল হেয়রদা থংথখিগদবা ওইরবদি রুল অসি চৎনবা য়াদে।

# ১৩

## প্রাইমরী মার্কেত্তা ইনভেস্ত তৌবগী থৌওং

পব্লিক ওফরগী মতমদা/ এপ্লিকেসন ফোর্ম অমা মেনশিন্দুনা পীরগা অমসুং পব্লিক্তা ইসু তৌনবগী পব্লিক ইসু অসি ওপন তৌবা মতমদা শেনফম পীদুনা কম্পেনীদগী অদোম্না কম্পেনী অমগী শেয়রশিং অদু হকথেংননা লৈবা য়াই। এপ্লিকেসন ফোর্মদা অদোমগী অকুপ্পা মরোল খুদম ওইনা মিং, লৈফম, এপ্লাই তৌরিবা শেয়রগী মশীং, বেঙ্ক একাউন্তকী অকুপ্পা মরোল, শেয়র ক্রেদিত তৌগদৌরিবা দিমাত একাউন্তনচিংবা মেনশিনগদবনি।




আই.ও.পি. অদুদা ইনভেস্ত তৌবা পামজরিবা ইনভেস্তরশিংনা চপ মান্নবা অদুগীদমক এপ্লিকেসন সপোর্তেদ বাই ব্লোক এমাউন্ত (এ.এস.বি.এ.)দা এপ্লাই তৌবা য়াই অমসুং পেমেন্ত মেকানিজ অমা ওইনা য়ুনিফাইদ পেমেন্ত ইন্তরফেস (য়ু.পি.আই.) শীজিন্নদুনা এপ্লাই তৌবসু য়াই (বুকলেৎ অসিদা অকুপ্পা মরোল কোন্না পীরি)। ইনভেস্তরশিংনা মখা তানা এপ্লিকেসন ফোর্ম মেনশিনগদবনি অমসুং মখোয়গী অপাম্বগী মতুংইন্না মখোয়দা শেয়রশিং পীনবা এপ্লাই তৌবীগদবনি। ইনভেস্তরনা এপ্লাই তৌরিবা শেয়রগী শেনফম অদু ইনভেস্তরগী বেঙ্ক একাউন্ততা ব্লোক তৌই। ইসু অসি লোইশিল্লবা মতুংদা আই.পি.ও. অমা লিস্ত তৌবগী মপুংফাবা থৌওংদা ৱার্কিং নুমীৎ তরুক (০৬) চঙই শেয়রশিং ইসু তৌরবা ইনভেস্তরশিংনা মখোয়গী দিমাত একাউন্ততা শেয়রশিং অদু ফংই অমসুং হায়রিবা অদুগী ফন্দ অদু মখোয়গী বেঙ্ক একাউন্ততগী লৌথোকই। শেয়রশিং অদু পীথোক্তবা ওইরবদি এপ্লিকান্ত ইনভেস্তরগী বেঙ্ক একাউন্ততা ব্লোক তৌরবা ফন্দ অদু মখাতানা শীজিন্নবা থাদোকই।




চেকশিনগদবা ৱাফম:

- কম্পেনী অমগী শেয়রদা ইনভেস্ত তৌদ্রিঙৈগী মমাংদা প্রোস্পেক্তস/হেদ হেরিং প্রোস্পেক্তস/কম্পেনীগী ওফর দোকুমেন্ত চেকশিন্না পাবীয়ু।
- পব্লিক ইসুদা শেয়রগীদমক এপ্লাই তৌবা মতমদা শেয়রগী মমল অমসুং ক্বালিতি চেকশিন্না য়েংবীয়ু।
- অদোম্না এপ্লাই তৌরিবা শেয়র অদুগী মমল অদু নোত অমা থম্বিয়ু।
- মার্কেতকী সেন্তিমেন্তদা য়ুম্ফম ওইদুনা ইনভেস্ত তৌবীগনু, অদুবু কম্পেনীগী মরমদা অমসুং মসিগী শেল-থুমগী অমসুং ইনভেস্ত মরমদা হৈশিংনা নৈনবীয়ু।

## ১৪

### এপ্লিকেসন সপোর্তেদ বাই ব্লোক এমাউন্ত (এ.এস.বি.এ.)

ইনভেস্তরশিংনা এ.এস.বি.এ. তৌদুনা আই.পি.ও.দা সেক্যুরিতীশিংগীদমক হৌজিক এপ্লাই তৌবা য়াই। এ.এস.বি.এ.দা ইনভেস্তরনা এপ্লাই তৌরিবা অদুগী শেয়রগী মমলগী য়েংদুনা শেমফম ব্লোক তৌই, অদুবু মসি পীথোক্লিবা ফাওবা অদোমগী একাউন্ততা লৈ। শেয়র অসিনচিংবা পীথোকপগী মতুংইন্না অচঙবা শেমফম অদু অদোমগী একাউন্ততগী লৌথোকই। ব্লোক তৌরবা শেনফম অদু মখাতানা শেন্দোই লাকই অমসুং পীথোক্তবা মতমদা অমুক হন্না হন্দোকপগী মথৌ তাদে। মরম অসিনা আই.পি.ও.দা এপ্লাই তৌবগী চেক অমা থাবগী মহুত্তা এপ্লিকেসন সপোর্তেদ বাই ব্লোক এমাউন্ত (এ.এস.বি.এ.) দা এপ্লাই তৌবা য়াই। মসিনা কলেক্তিং বেঙ্কশিংগী ব্রাঞ্চ খরনা খুদোংচাবা পী। অসিগুম্বা বেঙ্কশিং অসিগী লিস্ত অসি সেবিগী ৱেবসাইত্তা ফংই। ইনভেস্তরশিংনা য়ুনিফাইদ পেমেন্ত ইন্তরফেস (য়ু.পি.আই.)বু পেমেন্ত মেকানিজম ওইনা শীজিন্নদুনা হৌজিক্তি আই.পি.ও.দা ইনভেস্ত তৌবা য়ারে। য়ু.পি.আই. শীজিন্নদুনা ইনভেস্ত তৌবগী থৌওং অসি এনেক্সর-IV দা শন্দোক্না তাক্লি।



## ১৫

### সেন্দরি মার্কেত্তা ইনভেস্তমেন্ত তৌবা

অদোম্না শকখঙলবা স্তোক একচেঞ্জ অমগী স্তোক ব্রোকর অমগা লোয়ননা ত্রেদিং/ব্রোকিং একাউন্ত হাংদোকপগা স্তোক একচেঞ্জদা স্তোক ব্রোকর তৌদুনা কম্পেনীগী শেয়র য়োনবা নত্রগা লৈবা য়াই। অদোম্না ব্রোকরগী ৱেবসাইত, ব্রোকরগী মোবাইল ত্রেদিং এপতা চঙদুনা অদোমগী ব্রোকরগী ওনলাইন ত্রেদিং একাউন্ত শীজিন্নদুনা, ফোন্দগী কোল অমসুং ত্রেদ ফেসিলিতী শীজিন্নদুনা, ব্রোকরগী ওফিসতা হকথেংননা চত্তুনা নত্রগা স্তোক ব্রোকরগী ওথোরাইজ পীবা মীগী মতেংনা সেক্যুরিতীশিং লৈবা নত্রগা য়োনবগী ওর্দর পীবা য়াই।



ওর্দর পীবগী মওংশিং:




চেকশিনগদবা ৱাফম:

- শেয়র লৈবা নত্রগা য়োনবা অসি সেবিদা রেজিস্তর তৌরবা স্তোক ব্রোকর নত্রগা ওথোরাইজ তৌরবা মীওইখক্তদগী তৌবীগদবনি।

- সেকেন্দরি মার্কেত্তা ত্রেদিং তৌবা মতমদা অদোম্না ব্রোকরদা ওর্দর পীখিবগী রেকোর্দ অদু

# ১৬

## ত্রেদিং নুমীৎ অমসুং ত্রেদিং অমসুং সেতলমেন্ত সাইকল

স্তোক একচেঞ্জদা ত্রেদিং তৌবসি চয়োল অমগী নুমীৎ পুন্নমক (স্তোক একচেঞ্জনা লাউথোকপা থাংজ, নোংমাইজিং অমসুং ছুতিশিং য়াওদনা) তৌই। শেয়র লৈবা মতমদা মরী লৈনবা সেতলমেন্তকীদমক (হেন্না ফগদবদি অদোমগী লৈবগী ওর্দর অসি মায় পাক্না পাংথোক্লে হায়বা ব্রোকরদগী অয়াবা ফংলবা মতুংদা খুদক্তা) অদোমগী স্তোক ব্রোকরগী বেঙ্ক একাউন্ততা পে-ইন দেগী মমাংদা পেমেন্ত তৌবীগদবনি। অসুন্না, শেয়র য়োনবা মতমদা মরী লৈনবা সেতলমেন্তকীদমক পে-ইন দেগী মমাংদা ব্রোকরগী দিমাত একাউন্ততা শেয়র অদু লৌবগী মথৌ তাই।



পে-ইন দে অমসুং পে-আউত দে করিনো? পে-ইন দে অসি একচেঞ্জগী ক্লিয়রিং কোর্পোরেসন্দা ব্রোকরনা পেমেন্ত তৌগদবা নত্রগা সেক্যুরিতীশিং ফংগদবা নুমীৎ অদুনি। পে-আউত দে অসি ব্রোকরদা ক্লিয়রিং কোর্পোরেসন্না পেমেন্ত তৌবা নত্রগা সেক্যুরিতীশিং পীবা নুমীৎ অদুনি। চৎনবা হৌখিবা নুমিত্তগী সেতলমেন্ত সাইকল অসি T+২ ৰোলিং সেতলমেন্তকী য়ুম্ফমদনি। এপ্রিল ০১, ২০০৩ (T না ত্রেদকী নুমীৎ তাকই) খুদম ওইনা, নিংথৌকাবদা তৌবা ত্রেদ অদু মহৌশানা মথংগী নুমীৎ য়ুমশকৈশদা লোইশিল্লি (ত্রেদ তৌবা নুমিত্তগী

রার্কিং নুমীৎ ২ খন্নদুনা) স্তোক একচেঞ্জনা ফন্দ অমসুং সেক্যুরিতীশিং পে-ইন অমসুং পে-আউত তৌবা তি+২ নুমীত্তা পাওংথোকই।

ফন্দ/ সেক্যুরিতীজ পে-ইন তৌবসি ব্রোকর একাউন্ততগী একচেঞ্জ একাউন্ততা ফন্দ/ সেক্যুরিতীশিং ত্রান্সফর তৌবনি হয়না লৌই।

পে-আউত: ফন্দ/ সেক্যুরিতীজ পে-আউত তৌবসি একচেঞ্জ একাউন্ততগী ব্রোকর একাউন্ততা ফন্দ/ সেক্যুরিতীশিং ত্রান্সফর তৌবনি হায়না লৌই।

চেকশিনগদবা রাফম:

- ত্রেদকী সেতলমেন্ত সাইকলগী পে-ইন তাংগী মমাংদা অদোমগী বেঙ্ক/ দিমাত একাউন্ততা ফন্দ/সেক্যুরিতীশিং মতীক চানা থম্বা শোয়হনবীগনু।
- সেতলমেন্তকীদমক ফন্দ/ সেক্যুরিতীশিং মতীক চানা ফংদ্রবদি চৈরাক ওইনা শেল ককখিবা য়াই অমসুং মখা তানা ইনভেস্তর মাংখিবা য়াওই।

# ১৭

## কন্ত্রেক্ত নোত

কন্ত্রেক্ত নোত অমা হায়বসি স্তোক ব্রোকরনা তৌখিবা ত্রেদকী খুদম-চাংদম অমনি। মসি লিগেল দোকুমেন্ত অমনি, মসিদা ত্রাঞ্জেক্সনগী অকুপ্পা মরোল খুদম ওইনা অরৈবা/ অয়োনবা সেক্যুরিতীশিং, ত্রেদ তৌরবা মমল, ত্রেদ তৌবগী মতম, ব্রোকরেজনচিংবা য়াওই। কন্ত্রেক্ত নোত অসি ফিজিকেল ফোর্ম নত্রগা ইলেক্ত্রোনিক ফোর্মদা পীবা য়াই। অদোম্না ইলেক্ত্রোনিক কন্ত্রেক্ত নোত খল্লবদি স্তোক ব্রোকরদা অদোমগী ইমেল আই.দি.গী অকুপ্পা মরোলগা লোয়ননা অখন্নবা ওথোরাইজেসন পীবগী মথৌ তাই। অসিগুম্বা ইলেক্ত্রোনিক কন্ত্রেক্ত নোত অসি দিজিতেল ওইনা খুৎয়েক পীগদবনি, ইনক্রিপ্ত তৌবীগদবনি অমসুং তেম্পর তৌবা য়ারোই। অসিগুম্বা কন্ত্রেক্ত নোত অসি



চেকশিনগদবা ৱাফম:

- কন্ট্রেক্ত নোত অসি স্তোক ব্রোকরনা ত্রেদ পাওথোকপগী পুং ২৪ গী মনুংদা পীগদবনি। কন্ট্রেক্ত নোত্তা চয়েৎনবা অমা লৈরবদি ইনভেস্তরনা ৱাফম অদু স্তোক ব্রোকরদা অথুবদা খঙহনগদবনি।

- অদোম্না থম্লিবা রেকোর্দশিংদু মতম পুন্নমক্তা কন্ট্রেক্ত নোত্তা পল্লিবা অকুপ্পা মরোলদুগা লোয়ননা মার্কেত্তা ওর্দর থাবা মতমদা ক্রোস চেক তৌবীয়ু। চয়েৎনবা অমা লৈরবদি অদোমগী ব্রোকর অথুবদা কন্তেক্ত তৌবীয়ু।

ক্লাইন্ত ওর্দরগী রেকোর্দ:

ক্লাইন্তনা অসিগুম্বা ওর্দর পীরে হায়বগী খুদম ফংলবা মতুংখক্তদা স্তোক ব্রোকরশিংনা ক্লাইন্তশিংগী ত্রেদ পাওথোকপগী মথৌ তাই। হায়রিবা অসি ইন্তর এলিয়াগী মওং ওইগনি:

- ফিজিকেল রেকোর্দ অসি ক্লাইন্তনা ই অমসুং খুৎয়েক পী।
- তেলিফোন রেকোর্দিং
- ওথোরাইজ ইমেল আই.দি.দগী ইমেল
- ইন্তরনেত ত্রাঞ্জেক্সনগী লোগ তৌবা
- মোবাইল ফোন্দা মেসেজশিংগী রেকোর্দ
- অতোপ্পা লিগেলগী ওইবা তোঙান-তোঙানবা রেকোর্দ।




# ১৮

## ইনভেস্তরশিংদা এস.এস.এস. অমসুং ইমেল এলর্ত তৌবা

ইনভেস্তরশিংনা এস.এম.এস. অমসুং ইমেল এলর্তকী খুদোংচাবা লৌবা য়াই। মসিগী মতেংনা মখোয়গী ত্রেদিং অমসুং দিমাত একাউন্ততা থোকপা য়াবা ত্রেদিং/ত্রাঞ্জেক্সনগী থবক্কীদমক মখোয়না মমল তিংদনা এস.এম.এস. অমসুং ইমেল এলর্ত ফংগনি। মসিগী খুদোংচাবা অসি ফংনবা ইনভেস্তরশিংনা মখোয়গী মোবাইল নম্বর অমসুং ইমেল আই.দি. শেয়র তৌবা অমসুং মতম নাইনা মখোয়গী স্তোক ব্রোকরশিং অমসুং দিপোজিতরী পার্তিসিপেন্তশিং অপদেত তৌবা শোয়হনগনু।



## ১৯

### রনিং একাউন্ত ওথোরাইজেসন

মহৌশা ওইবা মতমদা ব্রোকর অমনা ত্রাঞ্জেক্সন (লৈবা/য়োনবা) অসি ফন্দ /সেক্যুরিতীশিং পে-আউত তৌবগী পুং ২৪ গী মনুংদা তৌবীগদবনি। অদুম ওইনমক, অদোম স্তোক একচেঞ্জদা শেয়র চাং নাইনা ত্রেদ তৌরবদি রনিং একাউন্ত কায়দনা থম্নবা স্তোক ব্রোকরদা অদোম অখন্নবা ওইনা ওথোরাইজ তৌবা য়াই। মসিনা অদোমগী শেয়র নত্রগা ফন্দ অদু স্তোক ব্রোকরগী তোঙানবা একাউন্ততা থম্বা য়াই।



রনিং একাউন্তনা সেক্যুরিতীশিংদা ত্রাঞ্জেক্সনশিং চগ্থবদা লায়থোকহনবগী খুদোংচাবা পী। মসিনা স্তোক ব্রোকরগী রনিং একাউন্ততা থম্লিবা শেয়র নত্রগা ফন্দশিং অদু মতুংগী ত্রাঞ্জেক্সনগী সেতলমেন্ত তৌগদবদা চাশিন্নহল্লি।

রনিং একাউন্ত ওথোরাইজেসন অসি ভোলুন্তরীনি অমসুং সেক্যুরিতীশিং তোয়না লৈবা অমসুং য়োনবা ইনভেস্তরশিংগী কান্নবা ওই। রনিং একাউন্ত ওথোরাইজেসনগী তাং পীগনি অমসুং মতম অমদা হেক্তা হন্দোকপা য়াই ফন্দ অমসুং সেক্যুরিতীশিংগী তশেংবা সেতলমেন্ত অসি ইনভেস্তর (ক্লাইন্ত)না খনবা নুমীৎ ৩০/ নুমীৎ ৯০গী মনুংদা য়ামদ্রবদা অমুক্তি ব্রোকরনা তৌই।

## ২০

### ত্রেদ ভেরিফিকেসন

অদোমগী একাউন্ততা পাংথোকপা ত্রেদ অচুম্বনি তাক্লা একচেঞ্জগী ৱেবসাইত্তা ত্রেদ ভেরিফিকেসন মোদ্যুল তৌবসি য়াম্না চম্বা তুল অমনি। ত্রেদকী দেতা অদু তি+১ নুমীত্তা ফংগনি।



# ২১

## মার্জিন মনি করিনো?



মার্জিন মনি অসি একচেঞ্জ/ ক্লিয়রিং কোর্পোরেসন্না প্রিসক্রাইব তৌই অমসুং মখোয়গী মমিংদা ত্রেদ পাঙথোক্লিঙৈগী মমাংদা ব্রোকরনা ইনভেস্তরদগী খোমজিল্লি। মার্জিন মনি অসি ত্রেদ লৈবগী ফন্দ পীদবগী রিস্ক নত্রগা ইনভেস্তর অমনা ত্রেদ য়োনবগী সেক্যুরিতীশিং দেলিভরী তৌদবা হস্থহন্নবা খোমজিল্লি। মার্জিন অসি শেল ওইনা নত্রগা সেক্যুরিতীজ নত্রগা শেল ওইনা মান্নবা হায়বদি ফিক্স দিপোজিত, বেঙ্ক গরেন্তী, ম্যুচুএল ফন্দগী য়ুনিত, গবর্নমেন্ত সেক্যুরিতীজ অমসুং দিমাত ফোর্মদা ত্রেজরি বিল অসিনচিংবগী মওংদা পীবা য়াই।

ইনভেস্তরশিংদা সেপ্তেম্বর ০১, ২০২০ দগী চৎনবা হৌই (ক্লাইন্ত)না মার্জিন অসি মওং অসিদা পীবা য়াই "সেক্যুরিতীজ" না স্তোক ব্রোকরগী অখন্ননা পীরিবা দিমাত একাউন্ততা ফেভর তৌদুনা সেক্যুরিতীশিং পী।

অঙনবা পে-ইন: ইনভেস্তরনা মার্জিন পীবদগী কোমথোকপা পাম্নবদি ব্রোকরদা ফন্দ/শেয়র দেলিভরী তৌগদবা পে-ইনগী তাং নত্রগা ব্রোকরনা পীরিবা মতম/তাং অদুগী মমাংদা তৌগদবা "অঙনবা পে-ইন" গী খুদোংচাবা অসি ইনভেস্তরনা শীজিন্নবা য়াই।

# ২২

## স্তোক ব্রোকর অমসুং দিপোজিতরী পার্তিসিপেন্তশিংদগী একাউন্তকী স্তেতমেন্ত



অদোম্না তৌখিবা ত্রাঞ্জেক্সনগী রিপোর্ত হায়বদি থাগী রিপোর্ত, ক্বাতরগী রিপোর্তনচিংবা মমল তিংদনা চাং নাইনা ব্রোকর অমসুং দিপোজিতরীদগী ফংগনি। দিপোজিতরীশিং অমসুং স্তোক একচেঞ্জনা অদোমগী রেজিস্তর তৌরবা মোবাইল নম্বর নত্রগা ইমেল আই.দি.দা খঙহল্লক্কনি।

অদোমগী একাউন্ততা ত্রাঞ্জেক্সন তৌবগী মতাংদা অদোম্না মেসেজ অদু খঙদ্রবদি বেঙ্ক, দিপোজিতরী, দিপোজিতরী পার্তিসিপেন্ত, অদোমগী স্তোক একচেঞ্জ, ব্রোকরদগী মরম অদু খঙদোকপীয়ু নত্রগা লমতাক্কীদমক সেবিগী তোল ফ্রী হেল্পলাইন্দা কোল তৌবীয়ু। অদোম্না মতম চানা এলর্ত অমসুং একাউন্ত স্তেতমেন্ত ফংবা ঙম্নবা অদোমগা ই-পাও ফাওননবগী অকুপ্পা মরোল অদু ইন্তরমেদিয়রীশিংদা মতম পুন্নমক্তা অপদেত তৌবীয়ু। করিগুম্বা অদোম্না অসিগুম্বা রিপোর্ত অমা ফংদ্রবদি মরি লৈনবা মচাকশিংগা লোয়ননা মদুগী মতাংদা ৱা পুখৎকদবনি।

অদোম্না ফন্দ অমসুং সেক্যুরিতীশিংগী বেলেন্সকী স্তেতমেন্ত অমা অদোমগী স্তোক ব্রোকরদগী চহী খুদিংগী মার্চ ৩১ দা ফংগনি।

## ২৩

### কন্সোলিদেতেদ একাউন্ত স্তেতমেন্ত (সি.এ.এস.)

কন্সোলিদেতেদ একাউন্ত স্তেতমেন্ত (সি.এ.এস.) অসি সিঙ্গল/ কম্বাইন্দ একাউন্ত স্তেতমেন্তনি। মসিনা ম্যুচুএল ফন্দ পুন্নমক্কী থা অমগী মনুংদা ইনভেস্তর অমনা ত্রাঞ্জেক্সন তৌবগী অকুপ্পা মরোল অমসুং দিমাত একাউন্ত(শিং) দালৈবা অতোপ্পা সেক্যুরিতীশিং উৎলি। অদোমগী সি.এ.সি. ফংনবগীদমক অদোমগী স্তোক ব্রোকর/ দিপোজিতরী পার্তিসিপেন্ততা অদোমগী পেন কার্দ নম্বর অপদেত তৌবীগদবনি




## ২৪

### দিরাইভেতিবস মার্কেত

দিরাইভেতিবশিং অসি মনুংদা ফুমদুনা লৈরিবা সেক্যুরিতী নত্রগা শেল-থুমগী ইনস্ত্রুমেন্ত অমদগী ফংবা মখোয়গী ভেল্যু শেল-থুমগী ইনস্ত্রুমেন্তশিংগা মরি লৈনৈ। মনুংদা ফুমদুনা লৈরিবা প্রদক্ত অদু ইক্বিতী, কম্মোদিতী, করেন্সীনচিংবা ওইবা য়াই।



দিরাইভেতিবশিং অসি মপুং ওইনা ইনভেস্তরশিংনা মখোয়গী পোজিসন হেজিং তৌনবা অমসুং মমলগী খুদোংচাদবা হন্থহন্নবা শীজিন্নৈ। হেজিং অসি মরুওইনা রিস্ক মেনেজমেন্তগী থৌওং অমনি। মসিদা ইনভেস্তরশিংনা তমথীবা মমলগী অহোংবগী রিস্কতা মতেং হঞ্জিনবীনবা হন্না মাংজৌননা চথবা লাল্লোং ওইনা ইনভেস্ত তৌই।

দিরাইভেতিবশিংদা প্লেয়রশিংনা হেজর, স্পেক্যুলেতরশিং অমসুং আর্বিত্রেজিয়রশিং ওইবা য়াই অমসুং তোঙান-তোঙানবা ফীভমশিংদা তোঙানবা থৌদাং লৌবা য়াই।

ফ্যুচরশিং অমসুং ওপসনশিং, নত্রগা ময়াম্না F&O সেগমেন্ত হায়না কৌরিবা অসি সেক্যুরিতীজ মার্কেতকী দিরাইভেতিবস সেগমেন্তগী তঙাইফদবা শরুক অমনি। ফ্যুচরশিং অমসুং ওপ্সনশিং অসি তোঙান-তোঙানবা মখলগী দিরাইভেতিবশিংনি।

ফ্যুচর্স কন্ত্রেক্ত অসি লৈরিবা প্রদক্ত অমা তুংদা লাক্কদবা তাং অমদা মমাংদা লেপখিবা মমল অমদা লৈবা নত্রগা য়োন্নবা স্তেন্দর্দাইজ একচেঞ্জ ত্রেদেদ কন্ত্রেক্ত অমনি।

ওপ্সন্স কন্ত্রেক্ত অমনা শেল-থুমগী ইনস্ত্রুমেন্ত অমা তাকই। মসিনা ওপ্সন লৈরিবা অদুদা হক পী অদুবু মমাংদা লেপখিবা তাং অমসুং মমলদা ওপ্সন অদু পাওথোকপদা অথিংবা লৈতে। কোলগী ওপ্সন অমনা লৈরিবা সেক্যুরিতী লৈনবগী হক অমা পী অমসুং পুত ওপ্সন অমনা লৈরিবা সেক্যুরিতী য়োন্নবগী হক অমা পী। ইনভেস্তরশিংনা ওপ্সন কন্ত্রেক্ত অমা লৈবা মতমদা প্রেমিয়ম অমা চার্জ তৌই।

দিরাইভেতিবশিং অসি রিস্ক ৱাংবা প্রদক্তনি অমসুং মপুং ওইনা হেজিংগীদমক শীজিন্নৈ হায়বসি নিংশিংবীয়ু । মসি রিতেল ইনভেস্তরশিংগী ওইনদি অয়াবা পীদে।

## ম্যুচুএল ফন্দস অমসুং ই.তি.এফ.

# ২৫

### ম্যুচুএল ফন্দস

ম্যুচুএল ফন্দনা ইনভেস্তর কয়াদগী শেল পুনশিল্লি অদুগা শেল অদু স্তোকশিং, বোন্দশিং, অতেনবা মতমগী মনি-মার্কেত ইনস্ত্রুমেন্ত, অতোপ্পা সেক্যুরিতীশিং নত্রগা এসেৎশিং, নত্রগা ইনভেস্তমেন্তশিং অসিগী অপুনবা খরদা ইনভেস্ত তৌই। ম্যুচুএল ফন্দ পুন্নমক মখোয়না স্কিম অমা হৌদোক্ত্রিঙৈগী মমাংদা সেবিদা রেজিস্তর তৌবীগদবনি। ম্যুচুএল ফন্দ অসি ম্যুচুএল ফন্দ স্কিমগী পান্দমশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা তোঙান-তোঙানবা কাংলুপ্তা খায়দোকপসু য়াই। স্কিমশিং অসি ইনভেস্তর মখল কয়া – রিস্ক য়াদবা ইনভেস্তর (মপুংওইনা ৱাংবা রিস্ক পামদবা কঞ্জর্ভেতিব ইনভেস্তর), মোদরেত ইনভেস্তর (রিস্ক খরা লৌবা ঙম্বা ইনভেস্তর) অমসুং এগ্রেসিব ইনভেস্তর (ৱাংনা হল্লকপা থিরিবা রিস্ক ৱাংনা লৌনিংবা ইনভেস্তর)গী অপাম্বা য়েংদুনা দিজাইন তৌবনি।



ম্যুচুএল ফন্দগী কাংলুপ খায়দোকপা ম্যুচুএল ফন্দ অসি চাউরপনা মখাদা পীরিবা অসিগুম্না স্কিম মখল মওঁদা কাংলুপ খায়দোকই:

- ইক্বিতী স্কিমশিং: স্তোক/ইক্বিতীদা মপুং ওইনা ইনভেস্ত তৌবা ম্যুচুএল ফন্দ
- দেব্ত স্কিমশিং: বোন্দশিং অমসুং ত্রেজরী বিলশিংগুম্বা ফিক্স ইনকম সেক্যুরিতীজদা মপুং ওইনা ইনভেস্ত তৌবা ম্যুচুএল ফন্দশিং
- হাইব্রিদ স্কিমশিং: এসেত ক্লাস অনী নত্রগা হেনবদা হায়বদি ইক্বিতীশিং, ফিক্স ইনকম, কেশনচিংবদা ইনভেস্ত তৌবা ম্যুচুএল ফন্দ
- সোলুসন ওরিয়েন্তেদ স্কিমশিং: রিতয়ারমেন্ত অমসুং চাইল্দ প্লানিংনচিংবগুম্বা মী অমগী পান্দমগী মতুং ইন্না ইনভেস্তমেন্ত তৌবা য়াবা ম্যুচুএল ফন্দ স্কিমশিং
- অতোপ্পা স্কিমশিং: ইন্দেক্স ফন্দ, সেক্তরেল ফন্দনচিংবা অতোপ্পা স্কিম পুন্নমক

## ২৬

### ম্যুচুএল ফন্দদা করন্না ইনভেস্ত তৌগনি?

অনৌবা স্কিমশিং হৌদোকপগী তাংদা পাউচে ফোঙবদা এদভর্তিজমেন্ত অমগা লোয়ননা মহৌশানা লাকচবা ম্যুচুএল ফন্দশিং ইনভেস্তরশিংনা তঙাইফদবা ই-পাউ অমসুং এপ্লিকেসন ফোর্মগীদক লৈবাক অসিগী মফম পুন্নমক্তা শন্দোক্তুনা লৈরিবা ম্যুচুএল ফন্দগী এজেন্ত অমসুং দিস্ত্রিব্যুতরশিংদা কন্তেক্ত তৌবা য়াই। ম্যুচুএল ফন্দদা ইনভেস্ত তৌবা মতমদা ইনভেস্তরশিংনা মখোয়গী কে.ৱাই.সি. অদু হান্না মপুং ফানা প্রোসেস তৌবীগদবনি । ইনভেস্তরশিংনা ফন্দ নত্রগা রেজিস্ত্রার ওফিসতা ফিজিকেল কে.ৱাই.সি. অমা তৌবা য়াই। অতোপ্পা অমনা কনাগুম্বা অমনা আধার কার্দ অমসুং পেন কার্দ নম্বর শীজিন্নদুনা ই.-কে.ৱাই.সি. তৌবা য়াই।


কে.ৱাই.সি. অসি অমুকপু প্রোসেস তৌখ্রবদি ইনভেস্তরনা ইনভেস্ত তৌবা পাম্বা স্কিম অদু লেপথোক্কদবনি। মসিগী ৱারেপ অসি খুদোংথিবা মায়োক্নবা ঙম্বা অমসুং শেল-থুমগী পান্দম অদুদা য়ুম্ফম ওই। ইনভেস্তরনা ম্যুচুএল ফন্দ স্কিম খন্দোক্লবা মতমদা মরী লৈনবা স্কিমশিং অদুদা ইনভেস্ত তৌনবগীদমক মহাক্না তঙাইফদবা এপ্লিকেসন ফোর্ম অদু মেনশিনগদবনি। ফোর্ম অদু ম্যুচুএল ফন্দগা লোয়ননা অসিগুম্বা সর্ভিস পীরিবা এজেন্ত অমসুং দিস্ত্রিব্যুতরদা নত্রগা এম.এফ.তা হকথেংননা পীশিনবা য়াগনি। এপ্লিকেসন ফোর্ম মেনশিনবা মতমদা ইনভেস্তর অমনা মহাক্কী মমিং, লৈফম, এপ্লাই তৌরিবগী নম্বর অমসুং এপ্লিকেসন ফোর্মদা মথৌ তাবা অতোপ্পা ৱারোলশিং ময়েক শেংনা পনগদবনি। ম্যুচুএল ফন্দনা শেল য়েন্থোরক্নবা নত্রগা অমুক হন্না লৈনবগীদমক মতুংগী তাংদা পীবা চেক/ দ্রাফ অমা হেক্তা নমথাক তৌদুনা লৌথোকখিবা য়াদনবা মহাক্কী একাউন্ত নম্বর পীগদবনি। মতুং তাবদা লৈফম, বেঙ্ক একাউন্ত নম্বরনচিংবা অহোংবা লৈরবদি ম্যুচুএল ফন্দদা খুদক্তা খঙহনগদবনি। ইনভেস্তরশিংগীদমক্তা মখা তানা ইনভেস্ত তৌবগী থৌওং অসি লায়থোকহন্নবা ম্যুচুএল ফন্দনা লম্পসম ইনভেস্তমেন্তকী মথক্তা মখাগী ওপ্সনশিং অসি পীরি:

- সিস্তেমেক ইনভেস্তমেন্ত প্লান: অখন্নবা স্কিম অমদা চাং নাইনা মতম চাং নাইনা খায়দুনা অকক্লবা শেনফম ইনভেস্ত তৌবগী খুদোংচাবা।
- সিস্তেমিক ৱিথদ্রোৱেল প্লান্স: চাং নাইনা মতম খায়দুনা অখন্নবা স্কিম অমগী অকক্লবা শেনফম ৱিথদ্রো তৌবগী খুদোংচাবা।
- সিস্তেমিক ত্রান্সফর প্লান: চাং নাইনা মতম খায়দুনা স্কিম অমদগী স্কিম অমদা ফন্দ ত্রান্সফর তৌবগী খুদোংচাবা।

## ২৭

### ম্যুচুএল ফন্দশিংগী প্রদক্ত লেবেলিং তৌবা

সেবিগী লমজিং লমতাক্কী মতুং ইন্না ম্যুচুএল ফন্দগী স্কিমশিং অসি য়াওরিবা রিস্ক অদুগী থাক্তা য়েংদুনা লেবেল তৌগনি অমসুং হায়রিবা অসি রিস্ক-ও-মিতরদা নমগনি। রিস্ককী তোঙান-তোঙানবা লেবেলগা লোয়ননা রিস্ক-ও-মিতর অসি মখাগী অসিগুম্না নম্মী:



- অনেস্বা: অনেস্বা রিস্কতা প্রিন্সিপাল
- ময়াই ওইনা নেস্বা: ময়াই ওইনা নেস্বা রিস্কতা প্রিন্সিপাল
- ময়াই ওইবা: ময়াই ওইবা রিস্কতা প্রিন্সিপাল
- ময়াই ওইনা ৱাংবা: ময়াই ওইনা ৱাংবা রিস্কতা প্রিন্সিপাল
- অৱাংবা: অৱাংবা রিস্কতা প্রিন্সিপাল
- য়াম্না ৱাংবা: য়াম্না ৱাংবা রিস্কতা প্রিন্সিপাল

- রিস্ক-ও-মিতর অসি থা থাগী ওইনা মতিক-ময়াই লেপ্পী।

- ম্যুচুএল ফন্দ/এ.এম.সি. না থা খুদিংগী অরোইবা নুমিত্তগী নুমীৎ ১০নিগী মনুংদা মখোয়গী মরী লৈনবা ৱেবসাইত অমসুং এ.এম.এফ.আই. ৱেবসাইত্তা স্কিম পুন্নমক্কী পোর্তফোলিও দিসক্লোজরগা লোয়ননা রিস্ক-ও-মিতর ফোঙদোক্কনি।

অখন্নবা স্কিম অমদা ইনভেস্ত তৌনবগীদমক ইনভেস্তরশিংবু এজেন্ত/ দিস্ত্রিব্যুতরশিংনা পীরিবা কম্মিসন/খুদোলশিং অদুনা হ্নমদুনা পুরোইদবনি। অমরোমদনা মখোয়না ম্যুচুএল ফন্দগী ত্রেক রেকোর্দ অদু খন্নগদবনি অমসুং পান্দম অমসুং খঙহল্লক্লবা ৱারেপশিং অদু লৌগদবনি।

# ২৮

**একচেঞ্জ ত্রেদেদ ফন্দস(ই.তি.এফ.)**




একচেঞ্জ ত্রেদেদ ফন্দ (ই.তি.এফ.) অসি ইন্দেক্স, কোমোদিতী, বোন্দশিং নত্রগা ইন্দেক্স ফন্দগুম্বা লন-থুমগী মপৈ অমা ত্রেক তৌবা সেক্যুরিতীনি অমসুং মসি সেক্যুরিতী মার্কেত্তা ত্রেদ তৌই। অচম্বা ৱাহৈদা ই.তি.এফ.শিং অসি সেনসেক্স, নিফতীনচিংবা ইন্দেক্সশিং ত্রেক তৌবা ফন্দশিংনি। অদোম্না ই.তি.এফ.কী য়ুনিত অমা লৈবা মতমদা তশেংনা ইন্দেক্সকী পর্ফোর্মেন্স ত্রেক তৌবা পোর্তফোলিও অমগী য়ুনিত অমা লৈরবনি। ই.তি.এফ.না মখোয়না ত্রেক তৌবা ইন্দেক্সকী পর্ফোর্মেন্স অদু উৎলি।

রিগুলর ম্যুচুএল ফন্দগুম্না নত্তবদা ই.তি.এফ. ত্রেদ হায়বদি স্তোক একচেঞ্জদা কমন স্তোক অমসুং মার্কেত্তা ত্রেদিং পাঙথোকপগুম্না ই.তি.এফ. কী মমল হোংদোকই। ই.তি.এফ.কী ত্রেদিং ভেল্যু অসি মদু ফোংদোক্লিবা মনুংদা ফুমদুনা লৈরিবা লন-থুমগী অপুনবা এসেত ভেল্যুগী মখা পোল্লি। মহৌশানা ই.তি.এফ. অসি অৱাংবা নুমীৎ-নুমীৎকী শেল-থুম লৈ লৈ অমসুং ম্যুচুএল ফন্দ স্কিমদগী হন্থবা ফীশিং লৈ।

# ২৯

## সেবি কমপ্লেন্তস রিদ্রেস সিস্তেম (স্কোর্স)

সেক্যুরিতীজ মার্কেতকা মরী লৈনবা কমপ্লেন্ত অমা লৈরবদি অদোম্না অহানবদা মরী লৈনবা ইন্তরমেদিয়রী নত্রগা কম্পেনীদা চৎপা য়াই। মরী লৈনবা ইন্তরমেদিয়রী নত্রগা কম্পেনীনা অদোমগী কমপ্লেন্ত কোকহনবদা খুদোংচাহনগনি। ৱাকৎ অসি কোকহন্দনা লৈরবদি অদোম্না স্তোক ব্রোকর নত্রগা লিস্ত তৌরিবা কম্পেনীগা মরী লৈনবা স্তোক একচেঞ্জ নত্রগা দিপোজিতরীদা চৎপা য়াই।

অদোম্না রিদ্রেসেল অদুদা হৌজিকসু পেন্দ্রবদি স্কোর্স (সেবি কমপ্লেন্তস রিদ্রেস সিস্তেম) কৌবা ৱেব বেজ সেন্ত্রেলাইজ গ্রিভান্স রিদ্রেসেলগী মতেংনা সেবিদা কমপ্লেন্ত অমা থাংগৎপা তৌবা য়াগনি। স্কোর্স পোর্তেলগী এদ্রেস http://scores.gov.in. নি ইনভেস্তরশিংনা এন্দ্রোইদ অমসুং iOS প্লেতফোর্মদা ফংবা স্কোর্স মোবাইল এপ শীজিন্নদুনা মখোয়গী কমপ্লেন্ত থাংগৎপা য়াগনি। স্কোর্সগী মরমদা হেন্না খঙনবগীদমক সেবি তোল-ফ্রী হেল্পলাইন নম্বর - ১৮০০ ২২ ৭৫৭৫ দা কোল তৌবা য়াগনি
১৮০০ ২৬৬ ৭৫৭৫. স্কোর্সনা ওনলাইনদা, মতম অমদা হেক্তা অমসুং মফম অমদগী হেক্তা অদোমগী কমপ্লেন থাজিনবা, মখাতানা ইন্নবা অমসুং কমপ্লেনগী রিদ্রেসেলগী স্তেতস ত্রেক তৌবা য়াহল্লি।



# ৩০

## স্তোক একচেঞ্জগী ইনভেস্তর সর্ভিস সেল

ইনভেস্তর সর্ভিস সেল ইনভেস্তরশিংগী ৱাহংশিংবু কোকহল্লদুনা ইনভেস্তরশিংগী মথৌ তাবদু য়েংশিনবী, ইনভেস্তরগী কমপ্লেন্ত লৈহন্দনবা তৌবা অমসুং য়েৎনবশিংগী ক্বাসি-জুদিসিয়েল সেতলমেন্তকী আর্বিত্রেসন মেকানিজম পীদুনা য়েংশিনবী।



স্তোক একচেঞ্জনা এন.এস.ই.দা ইনভেস্তর গ্রিভান্স রিজোলুসন পেনেল (আই.জি.আর.পি.) অমসুং বি.এস.ই. লিমিতেদ অমসুং এম.এস.ই. দা ইনভেস্তর গ্রিভান্স রিদ্রেসেল কমিতি (আই.জি.আর.সি.) গী মতেংনা ইনভেস্তরশিংগী গ্রিভান্সশিং রিদ্রেসেল তৌবদা খুদোংচাবা পী।

ইনভেস্তরশিংদা মখোয়গী ৱাকৎশিং পুখৎনবা খুদোংচাবা পীনবা একচেঞ্জশিং অসিগীদমক লৈবাক অসিগী মফম পুম্বা পাক-শন্না তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা মখোয়গী ইনভেস্তর সর্ভিস সেন্তরশিং লৈ। সেন্তরশিং অসিগী মপুং ফাবা লিস্ত একচেঞ্জশিং অসিগী ৱেবসাইতশিংদা ফংই।

# ৩১

**আর্বিত্রেসন মেকানিজম**

আর্বিত্রেসন হায়বদি স্তোক ব্রোকর অমসুং ইনভেস্তরগী মরক্তা লৈরিবা চয়েৎনবশিং লৈহন্দনবা ক্বাসি-জুদিসিয়েল প্রোসেস হায়বনি। অতোপ্পা পার্তি অমনা নত্রগা একচেঞ্জগী কমপ্লেন্ত রিজোলুসন প্রোসেসনা মরম ওইদুনা পার্তি অমনা কমপ্লেন্ত অদুগী অপাম্বা মওংদা লৈহন্দনবা তৌদ্রে হায়না খল্লবদি, স্তোক একচেঞ্জদা ফংলিবা আর্বিত্রেসন প্রোসেকগী রুত অদু পার্তিশিংনা খনবা য়াই।



ইনভেস্তর সর্ভিস সেন্তরশিং, আর্বিত্রেসনগী প্রোসেস অমসুং অচঙবা ফীশিং অমসুং চার্জশিংগী লিস্তকী মখা তাবা ই-পাওগীদমক মরি লৈনবা স্তোক একচেঞ্জগী ৱেবসাইতশিংদা য়েংবা য়াগনি।

## অনক্লেম শেয়র/ অনপেদ দিভিদেন্দ এমাউন্ত – আই.ই.পি.এফ.কী মরমদা ই-পাউ

ইনভেস্তর এজুকেসন এন্দ প্রোতেক্সন ফন্দ (আই.ই.পি.এফ.) অসি কম্পেনীজ এক্ত, ২০১৩ গী সেক্সন ১২৫ কী মখাদা অমসুং ইনভেস্তরগী এৱেয়রনেস প্রোমোসনগীদমক অমসুং ইনভেস্তরগী প্রোতেক্সনগী ইন্তরেস্ততা লিংখৎখিবনি। আই.ই.পি.এফ. ওথোরিতী অসি স্তেত্যুতরি বোদি অমনি। কম্পেনীজ এক্ত, ২০১৩ গী প্রোভিজনগী মখাদা শেমখিবনি।



থংনা-থংননা চহী তরেৎ অনপেদ নত্রগা অনক্লেম তৌরবা দিভিদেন্দ অমসুং শেয়র পুন্নমক মরী লৈনবা কম্পেনীশিংনা ইনভেস্তর এজুকেসন এন্দ প্রোতেক্সন ফন্দ ওথোরিতী (আই.ই.পি.এফ.) দা ত্রান্সফর তৌই। ইনভেস্তর নত্রগা মহাক্কী মীওইশিংনা অনপেদ দিভিদেন্দ অমসুং/নত্রগা অনক্লেম শেয়রশিং ফংনবা মখোয়গী ক্লেম অদু আই.ই.পি.এফ ওথোরিতীদা পীশিনগদবনি।

হেন্না কুপ্পা মরোলগীদমক ইনভেস্তরশিংনা চঙবা য়াগনি http://www.iepf.gov.in/IEPF/refund.html

# ৩২

**এনেক্সর -১**
**(সেক্যুরিতীজ মার্কেত্তা ইনভেস্ত তৌবগী/ত্রেদিংগী তৌগদবা অমসুং তৌরোইদবশিং)**

## তৌগদবশিং

- সেক্যুরিতীজ মার্কেত্তা অদোমগী ইনভেস্তমেন্ত মথৌ তারবদি সেবি রেজিস্তর্দ ইনভেস্তমেন্ত এদভাইজরদা তানবা য়াগনি।
- অদোমগী ইনভেস্তমেন্তগী পান্দম অমসুং খুদোংথিবা মায়োক্নবা ঙমগদবগী মখা পোন্না স্কিম/প্রদক্ত অমদা ইনভেস্ত তৌবীয়ু।
- ত্রেদশিং ত্রাঞ্জেক্সন তৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা ভেলিদ ওইবা কন্ত্রেক্ত নোত/ কনফার্মেসন মেমো পীনবা হায়বীয়ু। অদোমগী দিমাত একাউন্ততা অদোমগী পোর্তফোলিও চাং নাইনা ত্রেক তৌবীয়ু।
- মখোয়দু খুৎয়েক পীদ্রিঙৈগী মমাংদা দোকুমেন্তশিং অদু মুন্না পাবীয়ু।
- অদোমগী একাউন্ততা পীবা য়াবা চার্জশিং/ফীশিং/ব্রোকরেজ পুন্নমক চেকশিন্না নোত তৌবীগদবনি অমসুং হায়রিবা অসিগী রেকোর্দ থম্বিগদবনি।
- খুৎয়েক পীখিবা দোকুমেন্তশিং, একাউন্ত স্তেতমেন্ত, অফংবা কন্ত্রেক্ত নোত অমসুং পেমেন্ত তৌখিবগী রেকোর্দ থম্বীয়ু।
- মতম নাইনা অদোমগী শেন-থুমগী মথৌ তাবা/ পান্দমশিং রিভিয়ু তৌবীয়ু অমসুং হায়রিবশিং অসিগা মান্ননা শোয়দনা ফংনবা ঙম্নবা ফফফপোর্তফোলিও রিভিয়ু তৌবীয়ু।
- মতম পুন্নমক্তা বেঙ্কিং চেনেল শীজিন্নদুনা হায়বদি শেল ওইনা পীবা নত্তবীদা, শীজিন্নদুনা অদোমগী ত্রাঞ্জেক্সনগী শেনফম পীয়ু।
- মতম পুন্নমক্তা অদোমগী ই-পাও অপদেত্তা থম্বীয়ু। করিগুম্বা অদোমগী লৈফম নত্রগা বেঙ্ককী অকুপ্পা মরোল নত্রগা ইমেল আই.দি. নত্রগা মোবাইল নম্বর হোংদোক্লবদি অদোমগী স্তোক ব্রোকর /দিপোজিতরী পার্তিসিপেন্ততা খঙহল্লু। হৌজিক সিম কার্দশিংনা তোঙান তোঙানবা সর্ভিস প্রোভাইদরশিংদা পোর্ত তৌবা লৈবনা ইনভেস্তরশিংনা অখন্নবা একাউন্ততুদা মোবাইল নম্বর অমখক থম্বা য়াগনি। (মোবাইল নম্বর অসি মরুওইবা ত্রাঞ্জেক্সন পুন্নমক্কী চুম-শোনি।)
- অদোমগী ইনভেস্তমেন্ত পুন্নমক্কী নোমিনেসনগী খুদোংচাবা লৌবীয়ু। দিমাত একাউন্ততা নোমিনেসন কয়ামরুম থম্বা য়াই।
- অদোমগী রনিং একাউন্তশিং মতম নাইনা সেতল তৌবীয়ু (অদোমগী অপাম্বগী মতুংইন্না নুমীৎ ৩০/৯০ দা অমুরক)

- অদোমগী রনিং একাউন্ত চাং নাইনা চেক তৌবীয়ু। অদোমগী ত্রেদিং একাউন্ত
- মতম নাইনা য়েংশিল্লু অমসুং রিভিয়ু তৌবীয়ু।
- নোংমদা তৌখিবা ত্রেদ অদুগী একচেঞ্জদগী নুমীৎ খুদিংগী এস.এম.এস. অমসুং ইমেল চাং নাইনা চেক তৌবীয়ু।
- ত্রেদিং মেম্বরগা লোয়ননা ইনভেস্তরনা মেন্তেন তৌবা ফন্দ অমসুং সেক্যুরিতীজ বেলেন্স একচেঞ্জদগী থা খুদিংগী এস.এম.এস অমসুং ইমেল চাং নাইনা চেক তৌবা।

# তৌরোইদবশিং

- ইনভেস্তমেন্তগীদমক শেল পুগনু।
- অনরেজিস্তর্দ ব্রোকর / অতোপ্পা অনরেজিস্তর্দ ইন্তরমেদিয়রীসকা লোয়নগনু। ইন্তরমেদিয়রীদা য়ানখিবা
- ব্রোকরেজ/চার্জদগী হেন্না শেল পীবীগনু।
- তর্ম অমসুং কন্দিসনশিং মপুংফানা খঙদ্রবদি ইন্তরমেদিয়রী অমত্তগা দোকুমেন্ত অমত্তদা থবক চস্থবীগনু।
- অহাংবা ফোর্ম নত্রগা দেলিভরী ইনস্ত্রক্সন স্লিপ অমত্তা খুৎয়েক পীবীগনু।
- স্তোক ব্রোকর/ দিপোজিতরী পার্তিসিপেন্তগী মায়কৈদা মহৌশা ওইবা পাৱর ওফ এতোর্নি (পি.ও.এ.) পীবীগনু। অদোম্না পি.ও.এ. পীবা পাম্লবদি য়াম্না অখন্নবা অমা পীদুনা পুক্নী চঙনা পাঙথোকউ।
- চয়েৎনবা অমা লৈরবদি মতম চানা ইন্তরমেদিয়রী/স্তোক একচেঞ্জ/সেবিদা অইবা কমপ্লেন অমা পীয়ু।
- দাব্বা ত্রেদিং অসি ৱায়েল-পথাপ্পা য়াদবা ওই। অদোম শেনফম সেভ তৌরে হায়না উৎলক্লবসু দাবা ত্রেদিং য়াওগনু মরমদি মসিনা স্তোক একচেঞ্জদা শাফবা অমসুং গরেন্তীদ ত্রেদ পীদে।
- হোত তিপস য়েংদুনা অদোমগী ইনভেস্তমেন্তগী ৱারেপ্পা থাজবা থম্বিগনু মরমদি মার্কেত্তেবল ওইদবা ওফলোদ সেক্যুরিতীশিং পাম্বা মী অমনা মসিদা পুক্নীং চিংশিন্নবা তৌরকপা য়াই। হোত তিপসকী ৱারোল পীবা অসিসু ৱায়েল-পথাপ্পা য়াদবা থবক অমনি। হায়রিবা অসি সেবিদা রিপোর্ত তৌবীগদবনি।
- কৈদৌঙৈদসু অদোমগী ওনলাইন একাউন্তকী পাসৱার্দ কনা অমতদা পীথোক্কনু। পাসৱার্দ তোয়না হোংদোকউ ।
- পোঞ্জি স্কিম, অনরেজিস্তর্দ চিত ফন্দ, অনরেজিস্তর্দ কলেক্তিব ইনভেস্তমেন্ত নত্রগা অনরেজিস্তর্দ দিপোজিত স্কিমগী শরৌদা থুগনু।
- অদোমগী কে.ৱাই.সি. দোকুমেন্তদা অহাংবা স্পেসশিং ককথৎপা কাউবীগনু। অদোম্না কম্প্যুতর খুৎলোয়দবা ওইরবদি দিজিতেল কন্ত্রেক্ত লৌগনু।

# ৩৩

**এনেক্সর - II**
**(ইনভেস্তরশিংগী হক অমসুং তৌফম থোকপশিং)**




### ইনভেস্তরশিংগী হক

- ব্রোকরনা পীবা য়ুনিক ক্লাইন্ত কোদ (য়ু.সি.সি.) লৌবীয়ু।
- ইন্তরমেদিয়রীনা পাংথোকপা কে.ৱাই.সি. অমসুং অতোপ্পা দোকুমেন্তশিং লৌবীয়ু। অদোমগী য়ু.সি.সি.
- খক্তদা পাংথোকপা ত্রেদ লৌ।
- মেম্বরগা য়ানখিবা নোর্ম অদু ফংনবা ওর্দর তৌবীয়ু। খ্ৱাইদগী ফবা মমল লৌবীয়ু।
- ত্রেদ পাওথোক্লবগী কন্ত্রেক্ত নোত লৌবীয়ু।
- খোমগৎলবা চার্জশিংগী
- অকুপ্পা মরোল হংবীয়ু।
- মতম চানা ফন্দ অমসুং সেক্যুরিতীশিং ফংই।
- ত্রেদিং মেম্বরদগী একাউন্তকী স্তেতমেন্ত ফংই।
- একাউন্ত সেতলমেন্তকীদমক হংবীয়ু।
- য়ানখিবা সেদ্যুলগী মতুং ইন্না স্তেতমেন্ত ফংই।

### ইনভেস্তরশিংগী ওব্লিগেসনশিং

- নো য়োর ক্লাইন্ত (কে.ৱাই.সি.) দোকুমেন্ত পাওথোকপীয়ু অমসুং ঙাক্লো পীরিবা দোকুমেন্ত পীবীয়ু।
- ত্রেদিং মেম্বরগা য়ান্নরিবা ভোলুন্তরী কন্দিসনশিং খঙবীয়ু।

- ট্রেদিং মেম্বরশিংদা পীরিবা হক খঙবীয়ু। রিস্ক দিসক্লোজর দোকুমেন্ত পাবীয়ু।
- প্রদক্ত অমসুং ওপরেসনেল ফ্রেমৱার্ক অমসুং দেদলাইন
- খঙবীয়ু। মতম চানা মার্জিনগী শেনফম থিবীয়ু।
- মতম চানা সেতলমেন্তকী ফন্দ অমসুং সেক্যুরিতীশিং পীবীয়ু। ট্রেদকী অকুপ্পা
- মরোলগী অচুম্বা তাকপীয়ু।
- ফন্দ অমসুং সেক্যুরিতীজ থানবা বেঙ্ক একাউন্ত অমসুং দি.পি.
- একাউন্ত অচুম্বা তাকপীয়ু। একাউন্তকী কন্ত্রেক্ত
- নোত অমসুং স্তেতমেন্ত রিভিয়ু তৌবীয়ু।

# ৩৪

**এনেক্সর - ৩**
**(অনরেজিস্তর্দ ইনভেস্তমেন্ত এদভাইজরশিংদগী চেকশিনবীয়ু)**

অনরেজিস্তর্দ ইনভেস্তমেন্ত এদভাইজরশিংদগী চেকশিনগদবা



সেবি (ইনভেস্তমেন্ত এদভাইজরস) রিগুলেসন্স, ২০১৩ গী মখাদা সেবিনা ইনভেস্তমেন্ত এদভাইজরস রেজিস্তর তৌই। [খ্বাইদগী কোন্না জুলাই ০৩, ২০২০ দা এমেন্দ তৌখি।] "ইনভেস্তমেন্ত এদভাইজর" হায়বদি ব্যুজিনেস অসিদা ক্লাইন্তশিংদা নত্রগা অতোপ্পা মীওই অমদা নত্রগা মীওই কাংবু অমদা ইনভেস্তমেন্তকী পাউতাক পীনবগীদমক খন্নদুনা হাপ্লিবা মী অমবুনি অমদি মশামক্লা করিগুম্বা মমিং অমা হেক্তা থোঞ্জদুনা ইনভেস্তমেন্ত এদভাইজর অমা ওইনা থবক পায়রিবা অদুবুনি।

রিগুলেসন অসিগী পান্দমদি "ইনভেস্তমেন্ত এদভাইস" পু রিগুলেত তৌবনি। মসি ইনভেস্ত তৌবা, লৈবা, য়োনবগা মরী লৈনবা এদভাইস অদুবুনি। মসি নত্রগনা অইবা, চীনবুংদা লৈবা নত্রগা ক্লাইন্তকী কান্নবা ই-পাও ফাওননবা পাম্বৈ অমা হেক্তুদা লৈবা সেক্যুরিতীশিং নত্রগা ইনভেস্তমেন্ত প্রদক্তশিংগী থবক শিল্লিবা অমসুং সেক্যুরিতীশিং নত্রগা ইনভেস্তমেন্ত প্রদক্ত য়াওবা ইনভেস্তমেন্ত পোর্তফোলিওদা পীরিবা পাউতাক্লি অমসুং মসিদা শেন-থুমগী ওইবা থৌরাং য়াৎপা য়াওগনি। পাউচে, মেগাজিন, ইলেক্ট্রোনিক নত্রগা ব্রোদকাস্তিং নত্রগা তেলিকম্যুনিকেসনগী থোংদা ইনভেস্তমেন্তকী পাওতাক পীরি। রিগুলসনশিং অসিগী মরমদা পল্লিক্তা মরাং কায়না ফংলিবা অসি ইনভেস্তমেন্তকী পাউতাক্লি হায়না লৌরোই। ইনভেস্তমেন্ত এদভাইজরশিং অসি সেবিদগী রেজিস্ট্রেসন ফংগনি অমসুং কোদ ওফ কন্দক্ত ইল্লি।

সেবি রেজিস্ট্রেসন য়াওদনা ইনভেস্তমেন্ত এদভাইজর ওইনা থবক তৌবসি ৱায়েল-কাংলোন কায়বা ওই। সেবিনা অসিগুম্বা ৱায়েল-কাংলোন কায়বা থবক অসি থিংনবা অকনবা থবক লৌখৎলি। নাতে চাদবা অমসুং মথোঙ খঙদবা এন্তিতী খরদি মখোয় মশামক্লা রেজিস্তর তৌবা য়াদবা য়াই অমসুং, নত্রগা কোদ ওফ কন্দক্ত ইল্লক্তবা য়াই। ইনভেস্তমেন্ত এদভাইজরশিংনা পাউতাক পীবগী পনখৈ লৈগদবনি অমসুং মখোয়না শেল নত্রগা সেক্যুরিতীশিংগী থবক পায়দে।

সেবিদা রিপোর্ত তৌখিবা ইনভেস্তমেন্ত এদভাইজর্স (আই.এ.) ওইনা থবক চত্থবদা রেজিস্তর তৌরবা অমসুং রেজিস্তর তৌদ্রিবা এন্তিতীশিংগী থবক্তা মরী লৈননা লান্না তৌবা থবক খরদি মখাদা পীরিবশিং অসিদা য়াওরি।

- ক্লাইন্তশিংদা ইনভেস্তমেন্ত এদভাইজরশিংনা ওফর পীদুনা রিতর্নশিং
- য়ান্না চাউনা ফংলক্কনি হায়না অরানবা ৱাশক তৌদুনা ক্লাইন্ততগী কাহেনবা ফীস লৌথোকপা।
- ক্লাইন্ততগী অৱাংবা ফীশিং লৌনবা রিস্ক প্রোফাইল পীদনা আই.এ.না লান্না য়োনশিনবা। ফংগদবা অদু ফংদবদগী ক্লাইন্তনা ফীশিং হন্দোক্নবা কমপ্লেন তৌরকপা মতমদা মখোয়গী মাংখিবশিং অদু হঞ্জিনগনি হায়দুনা ৱাশক্তুনা আই.এ. না হেন্না ৱাংবা রিস্ককী প্রদক্তশিং ওফর তৌই।
- ক্লাইন্তকীদমক ত্রেদিং তৌবা
- ক্লাইন্ত প্রোফাইলগা চান্নদনা অমসুং ক্লাইন্তকী অয়াবা য়াওদনা প্রদক্তশিংগী মথন্তনা অপগ্রেদ তৌবা নত্রগা রিস্ক ৱাংবা সর্ভিসতা হোংদোকপা।
- আই.এ.না সর্ভিস ফজনা তৌবিদবদগী ক্লাইন্তকী শেল মাংবা। রিফন্দগা মরী লৈনবা ইস্যুশিং।

মরম অদুনা মার্কেত্তা হৌজিক চত্থরিবা মথক্তা পল্লিবশিং অসি ইনভেস্তরশিংনা খঙবা অমসুং মখোয় মশানা ঙাকথোকচবগী মথৌ তাই অমসুং কেপিতেল মার্কেত্তা অখণ্ড-অহৈনি হায়জরিবা এন্তিতীশিং অসি চেকশিন্না লোয়নবা চঙই। ইনভেস্তরশিংনা সেবি (ইনভেস্তমেন্ত এদভাইজর) রিগুলেসনশিং, ২০১৩ [খুবাইদগী কোন্না জুলাই ০৩, ২০২০দা এমেন্দ তৌখিবা] গী মখাদা রেজিস্তর তৌরবা এন্তিতীশিংগী ইনভেস্তমেন্তখক্তগী পাউতাকখক্তমক লৌগদবনি

অসিগুম্বা এন্তিতীশিংগী লিস্ত অমা মখাগী ৱেবসাইত অসিদা ফংবিগনি: https://www.sebi.gov.in.

ইনভেস্তমেন্ত এদভাইজরশিংগা থবক চত্থমিন্নবা মতমদা তৌগদবা অমদি তৌরোইদবশিং

| তৌগদবশিং | তৌরোইদবশিং |
|---|---|
| মতম পুন্নমক্তা সেবি রেজিস্তর্দ ইনভেস্তমেন্ত এদভাইজরগা লোয়নবীয়ু। | রেজিস্তর তৌদ্রিবা এন্তিতীশিংদা থবক চত্থবিগনু। |
| সেবি রেজিস্ত্রেসন নম্বর চেক তৌবীয়ু। সেবি রেজিস্তর্দ ইনভেস্তমেন্ত এদভাইজর পুন্নমক্কী লিস্ত সেবিগী ৱেবসাইত তা ফংই। (https://www.sebi.gov.in) | ইনভেস্তমেন্তকী পাউতাক শাদুনা পীরিবা স্তোক তিপশিং লৌবিরুগনু। |

| | |
|---|---|
| ইনভেস্তমেন্ত এদভাইজরগী চৎনবা য়ারিবা রেজিস্ত্রেসন সার্তিফিকেত অমা লৈ হায়বা খঙবীয়ু। | অদোমগী শেনফম অদু ইনভেস্তমেন্ত এদভাইজরদা ইনভেস্তমেন্তকীদমক পীবীগনু। |
| অদোমগী ইনভেস্তমেন্ত এদভাইজরদা এদভাইজরী ফীশিংদমক পীবিয়ু | থাজহল্লগা রিতর্নশিং ফংগনি হায়দুনা ৱাশক্তা য়াবিরুগনু। |
| বেঙ্কিং চেনেলখক্তদা এদভাইজরী ফীশিং পীবিয়ু অমসুং অদোমগী পেমেন্তগী অকুপ্পা মরোল য়াওবা খুৎয়েক পীরবা রিসিপ্ততমক থম্বীয়ু। | রেগ্নেল ইনভেস্তমেন্ত দিসিজন্দা মীহৌরুগনু। |
| ইনভেস্তমেন্তকী পাউতাক লৌদ্রিঙৈগী মমাংদা অদোমগী রিস্ক প্রোফাইলিং মতম পুন্নমক্তা হংবীঙু। | মীৎ থক্লিংঙাই ওইবা এদভর্তিজমেন্ত নত্রগ া মার্কেতকী তোকঙানা হুমদুনা পুহনবীগনু। |
| ইনভেস্তমেন্ত এদভাইজরদা অদোমগী রিস্ক প্রোফাইলিংদা য়ুম্ফম ওইবা এদভাইজরী চেকশিন্না পীনবা হায়বীয়ু অমসুং অতৈ লৈরিবা ইনভেস্তমেন্তশিং অদু য়েংবীয়ু। | ইনভেস্তমেন্ত এদভাইজর নত্রগা মসিগী মীহুৎনা তৌরকপা ফোন কোলশিং নত্রগা মেসেজশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা ত্রাঞ্জেক্সন তৌবীগনু। |
| পাউতাক অদু থবক ওইনা পায়খৎত্রিঙৈগী মমাংদা অদোমগী ইনভেস্তমেন্ত এদভাইজরদা মরী লৈনবা ৱাহং পুন্নমক হংবীয়ু অমদি চিংনবা কোকথোকপীয়ু। | অদোমগী মায়োক্নবা ঙঙ্লোইদবা অমসুং ইনভেস্তমেন্তকী পান্দমগা চান্নদবদা ইনভেস্তমেন্ত তৌনবগীদমক হাথু হাথুগনু। |
| তর্ম অমসুং কন্দিসনশিং অইবা ওইনা, ফজনা খুৎয়েক পীদুনা অমসুং স্তাম্প নপ্তুনা ফংহন্নবা হায়বীয়ু। ইনভেস্তমেন্ত এদভাইজর অমগা থবক তৌমিন্নদ্রিঙৈগী মমাংদা মসিগী তর্ম অমসুং কন্দিসনশিং অসি চেকশিন্না পাবিয়ু, মরুওইনা এদভাইজরী ফীশিং, এদভাইজরী প্লান, রিকমেন্দেসনগী কাংলুপ্পচিংবা। | |
| অদোমগী ত্রাঞ্জেক্সন্দা চেকশিন্না মীৎয়েং থম্বীয়ু। | |
| অদোমগী চিংনবা/গ্রিভান্সশিং রিদ্রেসেলগীদমক চুন-চানবা ওথোরিতীদা চঙঙু। | |
| থাজরবা নত্রগা গরেন্তীদ রিতর্নশিং পীরিবা ইনভেস্তমেন্ত এদভাইজরগী মরমদা সেবিদা খঙহল্লু। | |

# ৩৫

**এনেক্সর - ৪**
**(এ.এস.বি.এ.দা য়ুনিফাইদ পেমেন্ত ইন্তরফেস (য়ু.পি.আই.)**

ইনভেস্তরশিংনা হৌজিক য়ুনিফাইদ পেমেন্ত ইন্তরফেস (য়ু.পি.আই.)বু পেমেন্ত মেকানিজম অমা ওইনা শীজিন্নদুনা আই.পি.ও. দা ইনভেস্ত তৌবা য়াই। য়ু.পি.আই. অসি মেকানিজম অমদা বেঙ্ক একাউন্ত কয়ামরুম্বু মোবাইল এপ্লিকেসন অমত্তংদা (পার্তিসিপেত তৌরিবা বেঙ্ক অমা হেক্তা), বেঙ্কিং ফিচর কয়ামরুম্না পুনশিল্লিবা, অপনবা লৈতনা ফন্দ ত্রান্সফরশিং অমসুং মর্চেন্ত পেমেন্ত তৌনবগী পাৱর পীরিবা সিস্তেম অমনি।

**য়ু.পি.আই. শীজিন্নদুনা করম্না ইনভেস্ত তৌগনি:**

য়ু.পি.আই. শীজিন্নদুনা আই.পি.ও. দা ইনভেস্ত তৌবগী থৌওং অসিদা অচৌবা খোঙথাং ৩ য়াওরি অমসুং মখাদা অসুম্না পীরি:

য়ু.পি.আই.গী মতেংনা বিদ তৌবা ইনভেস্তরশিংনা এপ্লিকেসন ফোর্মদা মখোয়গী য়ু.পি.আই. আই.দি.গা লোয়ননা বিদকী অকুপ্পা মরোল মেনশিনগদবনি। এপ্লিকেসনশিং অদু স্তোক একচেঞ্জ বিদিং প্লেতফোর্মদা য়ু.পি.আই. আই.দি. গা লোয়ননা বিদকী অকুপ্পা মরোল অপলোদ তৌগদবা ইন্তরমেদিয়রীগা লোয়ননা পীশিনবা য়াগনি। স্তোক একচেঞ্জনা বিদকী অকুপ্পা মরোলশিং অদু থোরক্লিবা কম্পেনীনা এপোইন্ত তৌবা ইস্ক্রো/স্পোন্সর বেঙ্ককা লোয়ননা ইনভেস্তর য়ু.পি.আই. আই.দি. ইলেক্ত্রোনিকেল ওইনা শেয়র তৌগনি।

ফন্দশিং ব্লোক তৌবা: এস্ক্রো/স্পোন্সর বেঙ্কনা এপ্লিকান্তগী শেনফমগা মান্নবা ফন্দ ব্লোক তৌনবগী ওথোরাইজ তৌনবা হায়জগনি অমসুং এলোতমেন্তগী ওইনা মখা তাবা ফন্দ দেবিত তৌনবগীসু হায়জগনি। ইনভেস্তরনা ব্লোক তৌনবা হায়জরকপদা ভেলিদেসনগী মখা পোন্না ফন্দ অদু ইনভেস্তরগী একাউন্ততা ব্লোক তৌগনি অমসুং ইনভেস্তরদা হায়রিবা অসিমক খঙহনগনি।

শেয়র পোস্ত এলোকেসন প্রোসেসকী পেমেন্ত: শেয়রশিং এলোকেত অমুক তৌখিবগা ইনভেস্তর একাউন্ততগী ফন্দ দেবিত তৌবগী প্রোসেস পাঙথোক্লগনি অমদি অহেনবা শেনফমনা অনব্লোক তৌরক্কনি। মসিগী প্রোসেস অসি ইনভেস্তরনা ফন্দশিং ব্লোক তৌবা মতমদা য়ু.পি.আই. পিন শীজিন্নদুনা পীবা ওথোরাইজেসন্দা য়ুম্ফম ওইরগা চপ্থগনি।

**আই.পি.ও.দা ইনভেস্ত তৌনবগীদমক্তা য়ু.পি.আই. শীজিন্নবদা নিংশিংগদবা পোইন্তশিং:**

- লিস্ত ওফ সেল্ফ-সার্তিফাইদ সিন্দিকেত বেঙ্ক (এস.সি.এস.বি.)দা মমিং য়াওরিবা থোরক্লিবা বেঙ্ক অমা ওইনা থবক তৌবা য়াবা সেবিগী ৱেবসাইত্তা য়াওরিবা বেঙ্কতা অদোমগী য়ু.পি.আই.দা আই.দি. শেম্বিয়ু।
- লিস্ততা পল্লিবা মোবাইল এপ্লিকেসনশিং অমসুং য়ু.পি.আই. পায়রিবশিংখক্তমক শীজিন্নবিয়ু সেবিগী ৱেবসাইত্তা য়াওরিবা পব্লিক ইসুশিংদা য়ু.পি.আই. শীজিন্ননবা মোবাইল এপ্লিকেসন।
- অদোমগী এপ্লিকেসন ফোর্ম পেমেন্ত মেকানিজম ওইনা য়ু.পি.আই.গা লোয়ননা সিন্দিকেত মেম্বর, নত্রগা রেজিস্তর্দ স্তোক ব্রোকর, নত্রগা রেজিস্ত্রার অমসুং ত্রান্সফর এজেন্ত নত্রগা দিপোজিতরী পার্তিসিপেন্ততা পীশিল্লু।
- আই.পি.ও. এপ্লিকেসনগী পনখৈ অসি য়ু.পি.আই.দা ত্রাঞ্জেক্সন অমমমদা লুপা লাখ ২নি অমসুং মসি রিতেল ইন্দিভিজুয়েল ইনভেস্তরখক্তদা ফংই।
- থার্দ পার্তি য়ু.পি.আই.গী আই.দি. নত্রগা থার্দ পার্তি বেঙ্ক একাউন্ত শীজিন্নবা ইনভেস্তরশিং এলোকেসনগীদমক খন্নরোই।

# ৩৬

## এনেক্সর -৫
## গ্লোসরি

| | এব্রেভিয়েসন | মপুংফাবা ৱাহৈ |
|---|---|---|
| ১ | এ.এম.সি. | এনুয়েল মেন্তেনেন্স চার্জেস |
| ২ | এ.এস.বি.এ. | এপ্লিকেসন সপোর্তেদ বাই ব্লোক এমাউন্ত (এ.এস.বি.এ.) |
| ৩ | বি.এস.দি.এ. | বেসিক সর্ভিসেস দিমাত একাউন্ত (বি.এস.দি.এ.) |
| ৪ | সি.এ.এস. | কন্সোলিদেতেদ একাউন্ত স্তেতমেন্ত (সি.এ.এস.) |
| ৫ | সি.দি.এস.এল. | সেন্ত্রেল দিপোজিতরী সার্বিসেস (ইন্দিয়া) লিমিতেদ |
| ৬ | দিমাত | দিমেতরিয়েলাইজ তৌরে |
| ৭ | দি.পি. | দিপোজিতরি পার্তিসিপেন্ত |
| ৮ | আই.এ. | ইনভেস্তমেন্ত এদভাইজরশিং |
| ৯ | আই.জি.আর.সি. | ইনভেস্তর গ্রিভান্স রিদ্রেসেল কম্মিতি |
| ১০ | আই.জি.আর.পি. | ইনভেস্তর গ্রিভান্স রিজোলুসন পেনেল |
| ১১ | আই.পি.ও | ইনিসিয়েল পব্লিক ওফরিং |
| ১২ | কে.আই.এন. | কে.ৱাই.সি. আইদেন্তিফিকেসন নম্বর |
| ১৩ | কে.ৱাই.সি. | নো য়োর ক্লাইন্ত |
| ১৪ | এম.আই.আই. | মার্কেত ইনফ্রাস্ত্রকচর ইনতরমেদিয়রিস |
| ১৫ | এম.এস.ই. | মেত্রোপোলিতান স্তোক একচেঞ্জ ওফ ইন্দিয়া লিমিতেদ |
| ১৬ | এন.এস.দি.এল. | নেস্নেল সেক্যুরিতীজ দিপোজিতরী লিমিতেদ |
| ১৭ | এন.এস.ই. লিমিতেদ | নেস্নেল স্তোক একচেঞ্জ ওফ ইন্দিয়া লিমিতেদ |
| ১৮ | পান | পার্মনেন্ত একাউন্ত নম্বর |
| ১৯ | পি.ও.এ. | পাৱর ওফ এতোর্নী |
| ২০ | স্কোর্স | সেবি কমপ্লেন্তস রিদ্রেস সিস্তেম (স্কোর্স) |
| ২১ | সেবি | সেক্যুরিতীজ এন্দ একচেঞ্জ বোর্দ ওফ ইন্দিয়া |
| ২২ | এস.এম.এস | শোর্ত মেসেজ সার্বিস |
| ২৩ | ইউ.সি.সি. | য়ুনিক ক্লাইন্ত কোদ |
| ২৪ | ইউ.আই.দি. | য়ুনিক আইদেন্তিফিকেসন |

## সেবিগী ইনভেস্তর এৱেয়রনেস ইনিসিয়েতিবশিং

### ▶ রিসোর্স পর্সন প্রোগ্রামশিং:

সেবি ইম্পেনেল রিসোর্স পর্সনশিংনা তায়র ২/ তায়র ৩ সিতি/ তাউনদা অমসুং মখোয়গী লমদুগী লোলশিংদা রিতায়র তৌরবা মী, য়ুমদা লৈবা মী, সেল্ফ-হেল্প গ্রুপ, ৱার্কিং একজেক্যুতিব, অসিনচিংবা তোঙান-তোঙানবা তার্গেত গ্রুপ কয়াগী ওইনা পাংথোকপা ফাইনান্সিয়েল এজুকেসন প্রোগ্রামশিং।

### ▶ সেবি প্রোগ্রামদা চংবিয়ু:

মসিগী থৌরমশিং অসিগীদমক্তা সেবিগী ওফিসশিংদা চৎলুরবা কোলেজ, স্কুল, অমসুং প্রোফেস্নেল ইনস্তিত্যুৎকী মহৈরোয়শিংগী ওইনা পাংথোকপা ইনভেস্তর এৱেয়রনেস প্রোগ্রামশিং।

### ▶ রিজনেল সেমিনার:

স্তোক একচেঞ্জ, দিপোজিতরীজ, এ.এম.এফ.আই., কোমোদিতীজ দিরাইভেতিবস একচেঞ্জ অসিনচিংবগা খুৎশন্নদুনা সেবিনা পাংথোকপা ইনভেস্তর এজুকেসন প্রোগ্রামশিং।

### ▶ ইনভেস্তরস এসোসিয়েসন (এ.আই.)গী থোংদগী পাংথোকপা ইনভেস্তর এৱেয়রনেস প্রোগ্রাম:

সেবিনা শকখঙলবা ইনভেস্তরস এসোসিয়েসন (এ.আই.)শিংনা তায়র ২/ তায়র ৩ সিতি/ তাউনদা পাংথোকপা সেক্যুরিতীজ মার্কেত্তা ইনভেস্তর এজুকেসন প্রোগ্রাম।

### ▶ কোমোদিতিস দিরাইভেতিবস ত্রেনর্স (সি.ও.তি.)গী থোংদগী পাংথোকপা ইনভেস্তর এৱেয়রনেস প্রোগ্রাম:

সেবিনা শকখঙলবা কোমোদিতীজ দিরাইভেতিবস ত্রেনর্স (সি.ও.তি.)শিংনা তায়র ২/ তায়র ৩ সিতি/ তাউনশিংদা পাংথোকপা কোমোদিতীজ দিরাইভেতিবসতা ইনভেস্তর এজুকেসন প্রোগ্রাম।

### ▶ সেক্যুরিতীজ মার্কেত ত্রেনর্স (এস.এম.এ.আর.তি.)গী মতেংনা ইনভেস্তর এৱেয়রনেস প্রোগ্রাম:

সেবিনা শকখঙলবা সেক্যুরিতীজ মার্কেত ত্রেনর্স (এস.এম.এ.আর.তি.)না তায়র ২/তায়র ৩ সিতি/ তাউনদা পাংথোকপা সেক্যুরিতীজ মার্কেত্তা ইনভেস্তর এজুকেসন প্রোগ্রাম

ইনভেস্তরস এৱেয়রনেস প্রোগ্রামশিংসিগী অকুপ্পা মরোল সেবি ইনভেস্তর ৱেবসাইত্তা ফংগনি:
http://investor.sebi.gov.in

এফ.এ.ক্যু. অমসুং ওনলাইন রিসোর্সশিং ৱেবসাইতশিং অসিদা ফংই।

| | |
|---|---|
| ৱেবসাইত: | www.sebi.gov.in |
| ইনভেস্তর ৱেবসাইত: | http://investor.sebi.gov.in |
| ৱেবসাইত: | www.bseindia.com |
| ৱেবসাইত: | www.nseindia.com |
| ৱেবসাইত: | www.nsdl.co.in |
| ৱেবসাইত: | www.cdslindia.com |
| ৱেবসাইত: | www.msei.in |

সেক্যুরিতীজ এন্দ একচেঞ্জ বোর্দ ওফ ইন্দিয়া সেবি ভবন
প্লোত নং. C৪-A,'G' ব্লোক, বেন্দ্রা কুরলা কমপ্লেক্স, বেন্দ্রা (ইস্ত), মুম্বাই – ৪০০ ০৫১
তেলিফোন: +৯১-২২-২৬৪৪৯০০০ / ৪০৪৫৯০০০ I ৱেবসাইত: www.sebi.gov.in
ইনভেস্তর ৱেবসাইত: http://investor.sebi.gov.in
ইন্তরেক্তিব ভোইস রেস্পোন্স সিস্তেম (আই.ভি.আর.এস.)
তেলিফোন: +৯১-২২-২৬৪৪৯৯৫০ / ৪০৪৫৯৯৫০
তোল ফ্রী ইনভেস্তর হেল্পলাইন: ১৮০০ ২২ ৭৫৭৫ অমসুং ১৮০০ ২৬৬ ৭৫৭৫
ইনভেস্তরগী কমপ্লেন্তশিংগীদমক: https://scores.gov.in

বি.এস.ই. লিমিতেদ
২৫শুবা ফ্লোর, পি.জে. তৱার্স, দলাল স্ত্রীত, ফোর্ত, মুম্বাই - ৪০০ ০০১
তেলিফোন : ০২২ ২২৭২১২৩৩/৩৪
ৱেবসাইত : www.bseindia.com ইমেইল আই.দি: is@bseindia.com

নেস্নেল সেক্যুরিতীজ দিপোজিতরী লিমিতেদ
ত্রেদ ৱর্ল্দ, 'A' ৱিং, ৪শুবা অমসুং ৫শুবা ফ্লোর, কমলা মিলস কম্পাউন্দ,
লৱর পরেল, মুম্বাই - ৪০০ ০১৩
তেলিফোন: (০২২) ২৪৯৯ ৪২০০ | ফেক্স : (০২২) ২৪৯৭ ৬৩৫১
ইনভেস্তর হেল্পলাইন নং. ১৮০০ ২২২ ৯৯০ / ১৮০০ ২২৪ ৪৩০
ৱেবসাইত: www.nsdl.co.in

নেস্নেল স্তোক একচেঞ্জ ওফ ইন্দিয়া লিমিতেদ
একচেঞ্জ প্লাজা, C-১, ব্লোক G, বেন্দ্রা কুরলা কমপ্লেক্স, বেন্দ্রা (ইস্ত), মুম্বাই - ৪০০ ০৫১
তেলিফোন নং.: (০২২) ২৬৫৯৮১০০ - ৮১১৪
ফেক্স নং.: (০২২) ২৬৫৯৮১২০

সেন্ত্রেল দিপোজিতরী সার্বিসেস (ইন্দিয়া) লিমিতেদ
মরাথোন ফ্যুচরেক্স, A ৱিং, ২৫শুবা ফ্লোর, মফতলাল মিলস কম্পাউন্দ,
এন. এম. জোশি মার্গ, লৱার পরেল (ইস্ত), মুম্বাই - ৪০০ ০১৩.
তোল ফ্রী হেল্প লাইন: ১৮০০-২০০-৫৫৩৩
ৱেবসাইত : www.cdslindia.com

মেত্রোপোলিতান স্তোক একচেঞ্জ ওফ ইন্দিয়া লিমিতেদ
ভিবগ্যোর তৱার্স, ৪শুবা ফ্লোর, প্লোত নং C-৬২, ওপোজিত ত্রাইদেন্ত হোতেল বেন্দ্রা
কুরলা কমপ্লেক্স, বেন্দ্রা (ইস্ত), মুম্বাই - ৪০০ ০৯৮
ওফিস: +৯১ ২২ ৬১১২ ৯০০০